ঐরাবত

[illegible] —

[illegible]

মীয়াম্গী লুচিংবা ইঁরাবত

অইবা ঃ

লোংজম জীতিন্দ্র

(নেত্রকনাগী এ, আই. সি. সভাদা শকখিত্রুনা সভানা য়াম্না পাম্থিবা অমত্তুং বেঙ্গলীদা অনুবাদ তৌগ্রবা চৈশেংনি)

কোৱো

কঙ্গ স্বাধীনগী অমম্বা কোক্তুনা
স্বাধীন্না স্নাইৎ শোরক্লে মাঙদা
মকপশিংগী থবাকনা তত্তুনা কৌরক্লে
য়ানাইরবে নংকী থোঙজিন্দা
কৌরে কৌরো হৌরো, হৌরো নৈবাকপুবা
য়োংহুলং নুরবী ভারত ইমা কপ্পা মুক্তি পাম্বী
কোং লোন্দুনা মং তমত্রুনা
তুংশিনবা তুমথুল হুম্না।

ভারত জাতিগী অচেৎপা রাশক
চফি য়াইথেগী মুক্তি সাধন
পোপোকসিদা মাঙখরেনে অরাবগী হাহাকার তেংথাবা।
শিন্দোরবা ভারতকী অরাবা মেনা
শিরব দেশ প্রেমদা তৌরি অভিশাপ
কোকহল্লু চোপ্পা, কোকহল্লু পাপ
চাঙখৎলবা একতা খুৎলাইনা।

—ইরাবত

ৱাহৈ খরদং

মণিপুরগী নিং-তম্বা ভারুবগীদমক বৃটিশ সম্রাজ্যবাদীগী মায়োক্তা মণিপুরগী মরেৰাক নিংবা, থৌনা ফব কয়ানা আত্মা বলিদান তৌখ্রবা মতুংদা মীখা পোকপা মণিপুরবু নিংতম্বা ফংনবগীদমক মণিপুর মীয়ামগী লমজিংবা ইরাবতকী অশেংবা ইতিহাস অমা পুথোকপা দরকারনি লৌই।

মণিপুরদা মীবু মীনা শেংপা, ধর্ম্মগী নামদা মণিপুরগী মীয়াম্বু মথল মথেংগী অংং অনেক কা . ভীবা, লৌখাম চাবা ইনাকখুনবা কারবাররবা পাশিংবা লায়রবা লৈমী নিংথৌশিংবু তমথিবা মতংদা ওংপগী মায়োক্তা মশাগী ভক্তিজবা কয়া থাগোক্তুনা মণিপুরগী লায়রবা মীয়ামগী স্বার্থ মথল কয়াগী অন্দোলন লমজিংখিবা নেতা ইরাবতকী তোবিমল খরতা ভক্তিরবস্ত উংপা চুমরা খঙতনা নেতাগী পুন্সিগী হায়রিনি মীয়ামগী মাঙদা পুথোক-চবনি। লাইরিক অসি কেঙুনবা তোহনবা মকো পাংথখিবা, নেতাগা লোয়নরকপা সক্ক শ্রীলাইশ্রোম কলাই, ওখেল্লম্বম বোকুল অমসুং ওক্রম ইবোমচা কবিরাজনচিংবা অমসুং প্রপকী অয়া শরুক য়াবীখবা হয়াইশিং শ্রীমঙ্গি অমসুং ভোগেশ্বরনচিংবা খিবক্তা শিংভমদ্রবা লমন তোনসিজরবনি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা মপুং ওইনা শেলগী মতেং পীবিবগীদমক তোবিমল খঙবা উৎচরি।

তাং ১৪ । ২ । ৭৭ ইং

—অইবা

হীরম লামায়

অহানবা শরুক সমাজ রিফোৰ্ম অন্দোলন

২ শুবা শরুক রাজনীতিক অন্দোলন

হীরম লামায়

অশুবা শরুক মণিপুরদা অনৌবা রাজনীতিগী শক্তম

মীয়াম্গী লুচিংবা

ইরাবত

অহানবা শরুক

সমাজ রিফোর্মগী আন্দোলন

(ইরাবতনা অঙাং ওইরিঙৈ)

নিংতম্বগী অরোইবা লানফমদা মনিপুর মচা ক পুন্সি কয়া কৎপ্রবা, লোয়নবা থৌনা ফবা মরৈবাক নীংবা ন না নোক্রা নোরা ফাসিগী শগাই কাপ্রবা মতুংদা বৃটিশ সম্রাজবাদনা সনা লৈবাক মনিপুরবু খুদুম চনশিন্দুনা মীনাই য়োহিলংগী থিনজুর থাংবা নোরিঙৈদা লৈবাক শাসন মরা চেল্লিরিঙৈ কাংখোং চ ইতুনা, লাঞ্জেনরিঙৈগী মতমদা মনিপুরবু মীনাই য়োহিলং থদংনা চমগী লমন শিংনবগীদমক অথোবা বিপ্লবী হিজম ইরাবত সিংহ শোক ১৮৯৬ ইংগী সেপ্তেম্বর তাং ৩০ মুমশকৈশ নুমিৎতা পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা মৈতৈ লৈমনা ফংজখি। অপোকপা অমস্তুং অপোকপীগী মিংদি মথংশিংনা হিজম ইবুঙোহল অ.স্তু চেংথাম চনু থম্বালঙম্বী কৌই।

মীওইবা অমনা অমা মায়োক্লবদা থাঙবা ঙারবা অতুঙম্বা অরাবা কয়া পুল্লপা মানা মায়োরবকখি। মহাক য় ম্না লায়রবা ইমুংদা লোরকপনা পাল্লিদেগী লায়রংগী চৈথেং লংলবা ওইবতা

নত্তনা অঙাং ওইনা অপোকপা কায়নবগী অরাবা মৈচাক কংসম্মী। নৌনা মপুরোইবা কায়নরবী মমা লুখ্রাবীনা মরুম লেপ্পা ঙমক্তদতুনা পোক্লকম ওইনাম লৈকাই থাদোক্লুনা ইরাবতকী মনে ইবেম্মা হিজম চনু শোগাইজম ইবেতোন, মোইরাংখোম শোগাইজম লৈকাইগী য়ুমদা চঙজকম থিজতুনা পুন্সি লেনবা তাখি। অরাবগী মথক্তা হেন্না অরাবা হাপচিল্লকপা মীওইবগী হৌনশা ওইরমাদে অসিয়ৌনা রানা পুন্সি লেল্লিহৈসিদা অপোকপী মমা কায়নবগী অরাবা অমসু হাপচিল্লকখি। অসুম্না মীগী য়ুমদা চাকলেম চাড়না ফিরেম শেত্তুনা য়াম্না রানা মহৈ মশিং তম্লকখি। কার অমুক হায়গনি, ইরাবত অপোকপা কায়নরবা, পলেমনা নাউবোন্দরবা, মাগী হন্না য়েংবদা মনে নঙনা কনাসু লৈরবা মহৈ-মাশিং তম্বদা মনিং থুংবা ঙমদ্রবা মায়কৈ মরিমক্তা অরানবা লাঙ্গোই চল্লবা মাগী পুন্সিনি।

অদুবু পুন্নমক অসিগী মরক্তা মানা মাগী পুন্সি য়াম্না চম্না লেম্নোকপা ঙমখি। মপুন্সিদা থম্মোয় শোক্ল পুঙমদনা রাবদি মানা মীরোল তারকপদা মরৈবাকপু বৃটিশ সম্রাজ্যবাদনা মীনাই ম্নোম্হিলং চন্দুনা লোই ওইনা মীনাই নাইথাং চন্দুনা লৈরম্বা অসিনি। বৃটিশ সম্রাজ্যবাদীনা ওংলিবা মনিপুরগী প্রজা মীয়ামগী মুক্তি করম্না কংগদগে হায়বা রাখল অসি অঙাং ওইরিবা মাগী থম্মোয়দা মমি তারকখি। মরম অসিদগী মানা স্কুলগী লাইরিক পাবদা থরাই য়াওবগা লোয়ন লোয়নবা আউটবুক কয়া পাখি। পৃথিবীদা মীনাই ম্নোম্হিলং চৎবা, লায়রবব ওংপ লৈবরবা

লৈবাকশিংদা করম্না প্রজা মীয়াম্না খাঙবগে মতু কোক্লবগী পাইশনা করম্না লমশেলদা চঙবগে হায়বনচিংবগী লাইরিক পাড়ুনা থিজনবা হৌরকখি। স্কুলদা পাম্না ফাগনবা অফবা ছাত্রশিংগী মফুং চনবতা নত্তুনা অঙাং ওইরিবৈঙদা হিরম খুদিংমক্তা লমজিংবা ওইরকখি। অঙাং মরক্তা বাল সঙ্গ লিংখত্তুনা, ছাত্র মরক্তা স্কাউট অমদি ছাত্র সংগোলনী লিংখত্তুনা ছাত্র সমাজগী কান্নবা লমজিংখি। ওঝা-শিংনা ছাত্রশিংবু কা-হেন্না পুবা, লাইরিক নিংথিনা তম্বিদবা, ছাত্র-শিংবু স্কুলদা মতিক মপা চাদনা হেন্না থবক শূহনবা কয়াগী মায়োক্তা লমজিংখি। অসিগুম্না মথংগী লমজিং অসি মনিপুরদা অহানবনি। মহাক্না জোনস্টোন স্কুলদা তম্লিবৈঙদা ওঝা অমনা ছাত্র অমবু কা-হেন্না ফুব খোঙপাক্ত ফাওবা কাওবগী মায়োক্তা ছাত্র পুম্নমক খোমদুনা স্ট্রাইক তৌখি। স্কুলগী ছাত্রশিংনা স্ট্রাইক তৌবা অসি মনিপুরদা মসিনা অহানবনি।

ইরাবত জোনস্টোন স্কুলদা ক্লাস সেভেন ফাওবা তমখি। মথংদা শোক ১৯১৩ ইংদগী সোগাইজম সমরেন্দ্র সিংহগা লোয়নননা ঢাকাদ লাইরিক মথা তমথবা চংখি। মফম অদুদা মানা ছাত্র সমাজগী ফিভম নৈনখি। মতম থরা লৈবা অসিদা বাঙ্গালী লোনস্ নিংথিনা হৈরকখি। ঢাকাগী পূজোক স্কুলদা ক্লাস নাইন ফাওবা তম্নবা মতুংদা লায়রবনা মরম ওইদুনা হেনক্দনা লাইরিক তম্না তোকপা তাখি। শোক ১৯১৫ দা তখেল (ত্রিপুরা) দা চংখি। ভারত পুম্বদা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদনা ওৎ-নৈরিবাস কোক্লবা লমশেল থিরকখি। ফ্রেন্সতা প্রজা মীয়ামবু ওৎ-নৈবগী মায়োক্তা

প্রজা মীয়াম্না হৌরকপা আন্দোলন পেরিস কম্যুন, আমেরিকাগী ওৎপিরবা কোল-কারখানাদা থবক শূরিবশিংবু মবুক থন্না চাক পীজদবা, লৈপাক্তা তূমহনবা, মৈনিং কুনবা নৌরিবী থুপী অমস্তং পীরিবা অভাংশিংবু কারখানাদা নমডুনা থবক শূহনবা অডুগী মায়োক্তা শিন্মী মীয়াম্না হৌদুনা চীকাগো সহরদা আন্দোলন তৌখিবা, আফ্রিকাগী অমুবা জাতিশিংবু অভৌবা কাঙলুপ্না ওৎপিবা, মীনাই ওইনা শিজিন্নবগী মায়োক্তা বীপ্লব কয়া তৌখিবা রুসিয়া লৈবাক্তা জারনা ওৎ-নৈবগী মায়োক্তা রুসকী প্রজা মীয়াম্না তৌখিবা রিভোলুসন অমস্তং পৃথিবীগী মীনাই য়োথিং চল্লবা লৈবাকী প্রজাশিংনা মনিং তম্নগী লড়াই কয়া তৌখিবগী রারী কয়া পাখি।

তখেলদা মতম থরা লৈরুরবা মতুংদা ইরাবত মনিপুরদ থোরকখি। অরাবদি মঙাক অরেপ্পা ময়ুম লৈজদবা মীওই অমা ওইখি। অডুর রাংথৈ নিংথেম পুখ্রি মপান্দা লৈবা মাইবম শমদেন সিংহগী য়ুমদা মতম খরা লৈখি। অস্তুক রানা লেল্লবস্ু মৈবু কিনা কুপ্পুনা থম্বা য়াবা হৌনদে, লায়রররবস্থ মরুং থাবা নুপানি। তৌগে নিঙগ্রনদা ঙম্নবা পাঙথোকপা ঙম্বা, পঙ্ুংফম য়োদ্রিবা ফাওবা ঈনবা, উইন-কনবা, মরিল ফবা নুপানি। মরম অচুনা লম খুদিংমক্তা অফাওবা নুপা অমা ওইরকখিবনি।

ইরাবতকী পুন্সিদা অওনবা

ইরাবতকী মশাদা লৈরিবা গুণ পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা মহাক অসি অচম্বা মী অম ওইরোই হায়রবসি সরকারনা অমম্থং নিংথৌনা থঙলম্মী। মতম অদুগী মচিন তোঙথৎলকপা মহৈ-মশিং হৈবা মীওইবু মচা-মশূ থাজদুনা নিংথৌনা ভাই-শেল ওইবা হায়বসি চংনবী ওইনা তৌরম্মী। মরম অদুনা চূড়াচান্দ মহারাজগী ময়াম্বুংতোন চন্দ্রহাসকী মচানুপী অহল খোমদোন সনাবু লুহোংদুনা মতম অদুগী মপাক ইবুঙো হায়বা চাউরবা মিংথোল কংজখি। লোয়ননা মতম অদুগী ফৌজদারী অমস্তং দেৱানীগী চৈরাপ অমস্তং পঞ্চায় হায়দুনা লৈরম্বা রায়েনশঙগী সদর পঞ্চায়তগী মেম্বর অমসু ওইজদুনা পুন্সিদা নুংঙাই য়াইকবা ইমুং-মনুংশিংগী মরক্তা শিঙথানরকখি। মতম অদুগী মপাক ইবুংঙো মিংথোল কংলবা মীওইদি অদুকী মগীক চাউখ্রে। সমাজদা তুবৎ চৎপদা খোঙউপ হোংবা লৌথোক্লে, ছাতন উম্নাশল্লে, মীচম প্রজানা লাপ্না থেদোক্লে। তলব য়াম্না চাউনা কংদুনা অফিস অকা-অকুম মোলাই তোংবা, মীনাই-মীশল করানা থোগল তৌবা, মচা ইবেম্মগী লৌচা নাই-শম্না খুজিং ওইনা অউনপোৎ কংজবা মতম অদুগী সমাজদা অঙকপা কংনা নুংঙাইবা ইমুং অমগী পুন্সি ওইরকখি।

অসুম্না তৌবা অসিনা মাগী মমা মপানা নাউকোন্দনা মায়কৈ খুদিংদগী কোয়শিল্লকপা অবাবা কয়া মায়থোক্লখিবা মাঙলমচৎকী পুন্সি অদু মানা কাউথোকপরা? কাউদে, করিগী

কাউরুনি। মাদি অচম্বা মীশক অমম্থু নত্তে মাগী মুঙাই-য়াইফবা পুন্সি অড়ুম্না লেন্থোকখি অঙাং ময়ামগা লোয়ননা লম্পাক্তা শান্নমিন্নবনা মাগী মুংঙাঙজবা ওই লায়রবা ইমুং-মনুংগী অঙাং য়াওরবদি লাইরিক সেম্ন লোবিবা, মফি থোনবিবা, চে, কলম পেন্সিল লৈবিবা অঙাংশিংদা অফবা পাউত্ত ক অমদি রারী কয়া লীবিজনা লোয়নবা মতু পুন্নমক্কী য়ুম্ফম ওইনা বাল সঙ্ঘ লিংখৎপা পুন্নমক অসিনা মাগী মুংঙাঙজবা ওইরম্মী। মসাক ইবুংঙো অমদি সদর পঞ্চায়ত মেম্বর ওইবগী লেমকবা, চাউথোকপা পুন্নমক থাদোক্তুনা চঙলক্লিবা মীপুম খুদিংমক্তা পেন্না রারী-বাতোই শাবা মীচান মীরাই লৈতবা মতৌ অসি তমজনিংঙাইগী মশক্নি।

ইরাবতনা তৌবা ওস্না শক্তি পুন্নমক মথুত্তা পায়রবস্তু তমথিবা মওংদা ওৎপা নৈবা শিজিন্নদে লায়রবা অতোনবনু কনবিবা, প্রজা মীয়ামগী য়াইফনবগীত খনবা হায়বসিনা মাগী মথৌ ওইখি। লাইরবগা ইনাকখুনবগ লোয়ম চাবগ লোমীগা তৌনবা কেশতা লায়রবা লোমী শিম্মীগী স্বার্থ য়েংদুনা অচুম্বা বিচার তৌবসি মাগী থৌশিলনি। চৈরক অসিদা, মনিপুর অসি বৃটিশকী মখুত্তা লোই চনবা শাসনগী মখাদা লৈরবনি, মসিগুম্বা মীনাই য়োহ্লিং অসিবু মতৌ করম্না থদংকদগে হায়বসি মাগী অহিং-মুংথিল কাংদবা রাখল ওইরম্মী। মসিগী লম্বেল থিবদা মীনাই নাইথাং লৈবা ওৎপী-নৈবিরবা সমাজদগী মতৌ করম্না ইয়ুরোপকী লৈবাকশিংনা মনীংতম্বা কংখিবগে হায়বা, রুসতা জার নিংথৌগী অওৎ-অনৈগী মায়মোক্তা প্রজা মীয়াম্না রিভোলুসন

তোঙ্না শান্তি ফংখিবা— মীপুম খুদিংমক চাক চরা অনি চাবা ফংদুনা, থবক ফংদবা হায়বা অদু কোক্লুনা, অঙাং খুদিংমক্না লেম্না মতৈ তমজবা, লেম্না লায়য়েংজবা ফংবা, অদুগুম্বা সোসিয়েলিজম সমাজগী য়ারীশিং অমদি কার্লমার্ক্স, লেনিন, ষ্টালিন, লোকমান্য, ভগৎসিং, খুদিরাম, সুভাসচন্দ্র, মহাত্মা গান্ধিনচিংবগী ইতিহাস অমসুং মখোয়গী অ ইদওলোজি নৈনরকখি। রাখল-শিংসিগী মমি তারক্লুনা মনিপুরদগী বৃটিশপু মরু ক্লোক্লুনা, তাঙ্খোকখ্রগা মনিপুরগী প্রজা মীয়ামগী হেন্না ফগৎপা পুন্সিগী অচৌবা অওনবা অমা পুরক্নিংখি। মদুতনা প্রজা মীয়ামগী স্বার্থ ওইগনি লৌখি। অদুনা মক্মাক ইবুংঙো ওইবগী মুংঙাই-য়াইকবা কয়া অদুনা প্রজাগী স্বার্থ কনবা ঙমলোই হায়বসি খঙলকপদগী পুম্নমকসি থাদোক্নীংলকখি।

মনিপুরগী কলচর অমসুং সাহিত্যদা ইরাবত

ইরাবত অফাওবা সমাজ সেবক অমদি রাজনীতিবিদ অমা ওইনত্তনা মহাক অফাওবা আর্টিষ্ট অমা, য়েক খোৎপা হৈবা লাইরিক ইবদসু মখুৎ য়াম্না ফজবা মীশক্নি। লাক ফানবদা শরিং-শরাং হৈবা স্পোর্টসমেন অমসুনি। মৈতৈ কলচরবু য়াম্না ফজনা য়োকখৎপা পাম্মি। শগোল কাঙজৈ, মৈতৈগী মুক্না কাঙজৈদা পঙনোপ নোপ্পবা মীওইনি। অঙাং ওইরিবৈদগী শাইরোং কাপ্পদ খুৎ চুম্বা মীওইনি। থোইদোক্না মনিপুরদা কলচরেল রিভোলুসন অমগী থৌরাং কন্না শাগৎলম্বা মুপানি। মনিপুরদা

স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমা অহানবা লিংখৎলম্বগী ফাউণ্ডরশিংগী মনুংদা অমনি। মনিপুরদা ইহান হায়না লিংখৎখিবা স্পোর্ট এসোসিয়েশনগী মেম্বরশিংদি:— শ্রীযুক্ত সুবেদার তোম্বা সিংহ সেক্রেটরী, শ্রীফনী, শ্রীরবী, শ্রীইরাবত, শ্রীললিত, শ্রীচাউবা, ডা: নৈরেন, শ্রীগোপাল অসিনি। এসোশিয়েসন অসি শোক ১৯৩২ মার্চ থাদা লিংখৎখিবনি। ফুটবোল অমসুং হোকি টুর্ণ-মেণ্ট শোক ১৯৩২ গী এপ্রিল তাং ১ দা হৌদুনা মনিপুরদা অহৌবা ওইখি। চহি অহুমগী রনিং কপনি। মপানগী টিম কয়া শান্নবা অসিদা শরুক য়ারখি। মফমদি পুলিশলেণ্ড গ্রাউণ্ডদনি।

ইরাবত মনিপুরগী ড্রামাগী তগন্না মমিং চিংহৌবা য়াবা মীওই নত্তে। মনিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়নগী মহাক ফাউণ্ডরশিংগী মনুংদা অমনি। এম, ডি, ইউদা থেৎলিবা লাঙ্গোল কারল অসি মহাকী অনীংবা অমগী মখাদা মানা হৌদোক্লুনা থেৎলম্না লাঙ্গোল কারলনি। মহাক ড্রামাগী প্লে কয়াদা কুমখি। মহাক্না কুম্লম্বা প্লে খরদি সোরোখাইবম ললিতসিংহনা ইবা "অরেপ্পা মরুপ" প্লেদা চন্দ্রসিংগী পার্ট, দেবলা দেবীগী প্লেদা মারাঠাগী নিংথৌ শাখি। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলনা ইব নরসিংহ ড্রামাদা কুমুদ শাখি। শোক ১৯৩২ ইংগী এপ্রিল শজিবু চৈরাউবগী শিলহেনবা ছুটি মনুংদা য়াইস্কুলদা সতি খোংনাং হায়বা ইতিহাসিক প্লে অমগা অরেপ্পা মরুপ হায়বা সমাজিক প্লে অমগা অনিসি টিকেট লৌদুনা শান্নখি। মমিং চৎলবা অফাওবা প্লেনি। ইরাবত অমসুং

ললিতকী কুইম্ন য়েংনবগীদমক অমদি হিদাম তোম্বী দেবী, সাইরেম কন্যা অমসুং ফুংশিতোম্বী দেবীগী আর্ট এক্টিং য়েংনবগী লাকপা মীয়াম তঙকপনি। য়েংবা ফংনদবনা কোঙ্গাইনি। ইরাবতনা ড্রামাগী পার্ট লৌবদা অঙ্কী মতিক মথৌদা পুক্নিং চঙই। মযুমদা, নুমিৎ থুদিংগী তুলসিবা'দা থুরুমথনা মথদা দাইলোগ চানবা তম্বা, মথদা ইমুং মনুংগী অঙাং নুপী হঙ্গোইবা ইকাইবা লৈতনা হোৎনবা মহাক্কী অভ্যাস তমজনিংঙাইনি, মণিপুরদা অতাঙবনি হায়না শ্রীঅশাংবম মিনকেতননা তত্তনা ফোঙদোক্লি।

ইরাবত মণিপুর সাহিত্যবু হৌদোক্লকখিবদা য়াওবা নুপা অমা ওইবত নত্তনা মণিপুরগী থুৎনাবা কবিশিংগী মনুংচনবা মীশক্লি। মণিপুরদা গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্মগী চৎনবীনা শক্তুনা বেঙ্গোলি সাহিত্যনা ঊমথনা মাঙনরবা মতমদা নৌহৌননা মণিপুর সাহিত্যবু হিংগৎহনবা হোৎনবদা অচৌবা শরুক য়াথিবা নুপানি। শোক ১৯৩২ দগী অসিগুম্বগী মমি অসি তাবা হৌরকখি। তাং ৭ | ১ | ৩২ ইং নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীশেনজম ইবুঙোহল সিংহগী শঙ্গোযদা মৈতৈ সাহিত্যগী মরমদা সভা অমা ফমখি। মসিনা মণিপুরদা অহানবনি। মিটিং অসিগী কনাভনর শ্রীখাইরাকপম চাউবা সিংহনা ওইখি। মিটিংসিদা ডাক্তর কমল অমসুং হিজম ইরাবত, অঙাহল মরু ওইনা রা ঙাঙখি। মণিপুর সাহিত্য সম্মেলনী হায়বা অমা লিংখৎপা লেপ্লখি। চহি অসিমক্কী এপ্রিল থাদা অহানবা অধিবেসন ফমখি। মণিপুর সাহিত্য সম্মেলনী অসিগী রারেপক্কী মতুংইন্না মণিপুরগী স্কুলশিংদা মৈতৈলোন তম্নবা অকনবা থৌরাং

লোথংখি। লাইরিক ইবা মীওই কয়া কৌখি। মৈতৈলোনগী মপি লাইরিক পুথোক্লবগীদমক ইরাবতনা ওঝা মূনাম্দা হায়জত্লুনা ইবিখি। মথং মথং ক্লাস খুদিংমক্তা তন্নবা টেক্সবুক ইবিনবগী দায়ীত ইরাবতনা লৌখি। অতুগা মৈতৈ কবিতা লেংবগী নিয়ম অমসুং মৈতৈলোনগী মরিমখোঙ রারী মচা ইবগী দায়িত্তনা কমল অমসুং চাউবনা মথংশিংনা লৌখি। হায়রিবা অধিবেসন অসিদা মৈতৈ ময়েক অমসুং মৈতৈলোন তম্নবগী মরমদা ইরাবতনা মরিক-চম্না নৈনখি। রাজনীতিগসু মরি লৈনবা মীশক ওইবনা মিটিং অয়াম্বা মানা কণ্ডুক তৌখি। সম্মেলনী অসিগী হোংনজমম্না নিম্নপ্রাইমারীগী ক্লাস খুদিংমক্তা মৈতৈলোন তম্বা ঙম্নবা মতমদা উচপ্রাইমারীদা তম্নবা লাইরিক পুথোকপদা অরাবা কয়া ওইখি। চাউবনা রারেংগী শরুক কয়া, কমলনা কবিতাগী শরুক্তা মশাং হেন্না পুথোক্লখি। ইরাবতনা ইবা 'শৈদম শৈরেং' মতম অতুগী ক্লাস সেভেন্দা তম্নবা টেক্সবুক ওইখি। অমুক ইরাবতকী থৌরাংদি অঙকপনি। স্কুল লৈতবা মফমদা স্কুল লিংখৎলম্বা অমসুং স্কুল কমিটি শাত্নুনা থনম্বা মাগী থৌশিলনি।

ইরাবতনা মৈতৈ সাহিত্যগী মরমদা হোৎনরকপদসি লিরবা মতমদগীনি। শোক ১৯১১ ইংদা মণিপুরগী অহানবা মেগাজিন "মৈতৈ চনু" কৌবা অমা থুংনা ইহুনা মশামক্তা ইডিটর ওইহুনা থোঙখি। মসিগী মতুং চহি ১০ কোল্লবা মতম শোক ১৯৩২ অত্তরাইদা মরূপ মপাং কয়া কংহুনা সাহিত্য সম্মেলনী লিংবগী থবক অসি চঙশিনলকপনি। শোক ১৯৩০ দগী "যাকাইরোল" কৌবা

থাগী চেকোঙ অমা লৈরেন্না সম্পাদক ওইদুনা ছাপা তৌদুনা ফোঙথা হৌখি। মসিদা ইরাবতনা অচোবা শরুক য়াখি। ইরাবত মণিপুরগী খুৎমাবা কবিশিংগী মরক্তা অমনি। অসুম্না শ্রীমিন-কেতন্না থারি — "ঐখোয় মঙাদংদদা অমা দোর্রা মাঙখরে চৌ'গুং থারম থঙদনা"।

ইরাবত অক্বাঙবা কালাকার অমনি। গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী চংনবী শ্রাদ্ধ কর্ম্মনচিংবদা ঈশৈ শকপা ঈশৈ হনবা ঙম্মী। মহুত্তা নত্তুনা মশানা ইঙ্গবা মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ কয়া মশানা শকচবা থোইদোক্লা শীংথানিঙ্ঙাইনি:— (১) হোরো হোরো ভারত মচাশা, (২) হৌরবা অয়াবা অহিংগী অমম্বা কোক্তুনা, স্বাদ্ধিন্তা গুমিং থোরক্লে মাঙদা থোঙ লোন্দুনা তুমখুল হুন্দুনা তুমখিগদরা কয়া কুইনা, (৩) চংলো চংশি ইচিল ইনাওশা লৌমীগী লৈবাক শেমলুসি, (৪) থাঙ্গোল অহু ময়া থাংউ থোনা, (৫) চৌং-তম পুম্বা লোয়না লাকলো আইন সভা তাল্লুসি অসিনচিংবা ঈশৈ কয়ানা মরৈবাক নীংবা কপাবু হোদোক্লম্বা থৌনা শীরম্বা ফুপানি। পুঙ, তপিলা, সিতারনচিংবা শীজিন্নবা হৈবা মীশক অমসু ওইরম্মী।

মাংবা শেংবগী মায়য়োক্তা

বৃটিশকী মতমগী মণিপুরগী সমাজগী ফিভমদি অকিবা অমসুং অঙকপনা থল্লি। মতম অদুগী নিংথৌগী মায়য়োক্তা লৈবা, রা ঙাঙবা য়াদে। গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্ম্মসু থম থেংবীনি। ব্রহ্মসভা

হায়বা ব্রাহ্মণশিংনা অনম্বা শাবা সভা অসিনা মতম অহুগী প্রজা মীয়ামবু অঙকপা কংনা ওৎলম্মী। ব্রহ্মসভাগী নীতিদি ধর্ম্মগী মিংদা মাংবা শেংবগী মরমদা নৈনবনি। মখোয়দা পৈশা পীব্রবদি মী অশিবা পোৎলোইহন্দে, দেব কর্ম্মনচিংবা করি অমত্তা তৌবা য়াদে। মসিদা রা চাঙলুবা য়েৎলুবা কনাগুম্বা য়াওরবদি মাবুম্ ব্রহ্মসভানা মাংলে হায়তুনা ইন্থোক্কনি। মাগী ইমুং মনুংদা শিবা য়াওরবদি পোৎলোইবা য়ারোই। অহুগা মণিপুরদা লৈরবা মী-পুম খুদিংমক গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্ম্মসি লৌদবা য়াদে, হান্না মৈতৈ ইপা ইপুনা চৎলম্বা ধর্ম্ম পুন্নমক থাদোক্কদবনি অসিনি। গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মসি লৌরবদি মহুগী শাখ ওইনবা চন্দন খিনগদবনি, খিন্দবা য়াদে। অসুম্না চন্দন শিল্লবা প্রজা মীয়ামদগী যুমথোং শিংনা চন্দন খিনবগীদমক শেল অমুক থায়গংলি। মহুবু চন্দনগী শেনথাই কৌই। অমা মঙানি। শেনথাই অসি পীদবা য়েৎলুবা য়াওরবসু ব্রহ্মসভানা মাংহনগনি। মসিগুম্বা থবক শিং অসি তৌন-বগীদমক রতন হায়বা ফম কয়া থাপই। রতন্না মাংই হায়তুনা হেক্তা ইন্থোকপা ঙমই। মাংহনখ্রবশিংত্থু লোইনা শেংহনবা য়াই। ব্রহ্মসভানা মাংহনখ্রবা মীবু শেংদোকপা তারবদি শেন্তেক লুপা ৮৫ ।/• পীগনি। মহারাজনা মাংহনখ্রবদি লুপা ৫০০, সনথ্যা অহলনা মাংহনখ্রবনা লুপা ২০০, রতন্না মাংহনখিবা শেংদোকপা তারবদি শেন্তেক লুপা ৫০ থীগনি। হায়রিবা শেলশিং অসি সরকারগী শেঙ্গাওদা কাবা নত্তে। ব্রহ্মসভাগীনি। চন্দনগী শেন-থায়দি গৌড়িয় ধর্ম্ম শন্দোকপা লাকপা গোশাই কাওবুহুনা

লৌই। অসিগুম্বা অওং-অনৈ কয়া অস শেংদোক্লবা প্রজাগী সেবা তৌনবা "মণিপুর সেবা কমিতি, প্রজা মণ্ডল কয়া, শেমগৎনা ইরাবতনা প্রজাগী সেবা তৌখি।

নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা

ব্রহ্মসভাগী মরুম থুপ্লবা প্রজা মীয়ামবু হৎলিবা অসিগী মায়য়োক্তা অচৌবা আন্দোলন অমা তৌনবগীদমক মশাক্কী মরূপ বঙ্কবীহারী শর্ম্মা, ললিত মাধব শর্ম্মা, কাঙ্গ ই, বীজয়, মাঘনচিংবগা লোয়ননা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা শোক ১৯৩৩ দা লিংখৎখি। মহাসভা অসিগী প্রেসিডেন্ট অমসুং ভাইস প্রেসিডেন্ট সার চুরাচান্দ সিংহ অমসুং হিজম ইরাবত সিংহনা মথংশিংনা ওইখ। চুরাচান্দ মহারাজাদ বৃটিশনা কে, সি, এস, আইগী মিংথোল শোক ১৯৩৪ জনুয়ারীদা পীথবদগী মহাসভাদগী লাপথোকখিত্রে। ভাইস-প্রেসিডেন্ট ইরাবতনা প্রেসিডেন্টকা থবক পুখোই।

মহাসভা অসিগী মথাদ ইরাবতনা মাংখ শেংবগী মায়য়োক্তা অকনবা থবক পাযখৎলকখি। প্রজানা শেম্লেক থীজ্রে। অমাংবনি হায়না ইন্থোক্লবা অশিবাশিং, মশানা মী থোমজনা পোৎলোয়রে লৈনূং চন্দুনা ফুঙ্গ্নবা অশিবশিংবু লোথোক্তনা পোৎলোয়রে লৈবাক্কী কাচি কোথাদগী পুং-ঈশৈ তৌবা কয়া থোমগজনা মশানা ঈশৈ হন্দুনা হিন্দু গৌড়িয় ধর্ম্মগী চৎনবী

মতুংইন্না শ্রাদ্ধ শোল্লে। মসিদা য়াওবা পুন্নমক ব্রহ্মসভানা লোইনা ইল্লোক্লে। নিংথৌগী মীওই খরতা ভায়হৌরগা মীয়াম লোইনা ইল্লোকখিবনা চংনবা য়াদ্রে। অসিগুম্বা গৌড়িয় ধর্ম্মগী মরুম খুল্লগা ব্রহ্মসভানা মীয়াম ওংলম্বা অতু মরু ফুক্তোকখি।

মহাসভানা রাজনীতি দল ওইরকপা

শোক ১৯৩৮ ইংদা চীংঙাদা কমখিবা ৪শুবা অধিবেসন্দগী 'হিন্দু' হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক্লুনা "নিখিল মণিপুর মহাসভা" হায়বা মিং অসি ওনখি। মসিগী অধিবেসন অসিগী অমসুং মহাসভা অসিগী প্রেসিডেন্ট ইরাবতনা ওইখি। অধিবেসন অসিগী রাজনৈতিক, অর্থনৈতিক অমসুং সমাজিক্কী মরীদা রারেপ কয়া লৌখি। রাজনৈতিকী রারেপ লৌতুনা মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টি ওইরকপসি মসিনা অহানবনি। অধিবেসন অসিনা অমাং-অশেংগী মরীদা, ধর্ম্মগী মিংদা শেন্তেক কয়া লৌরিবা, পালা লোয়শঙগী শেন্তেক, য়াইরেক শস্ত্রি, পোংথাঙ বেকার, পীয়ন, আমিনগী চাকথাক, দোলাইরেং, পাঁচ অনা চন্দনগী শেনথাই পাংকী থাক্কনা, মাশুলনচিংবগী মায়য়োক্তা রারেপ কয়া তাখি। রাজনীতিগী রারেপকী মতুংদা — (১) মণিপুরদা পুর্ণ দায়িত্বশিল সাসন লিংনবা, (২) চীংতম সাসন পুংশীন্নবগী, (৩) লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইনবা কৃষক মজদুর লিংনবা, (৪) সাবালক ভোট, (৫) রাণী গাইডিল্যু থাদোক্কদবনি হায়বনচিংবা কয়া লৌখি।

মথংদা রারেপশিং পাঙথোক্কবা হোংনবদা শ্লোগান কয়াগা লোয়-নবা ষ্টেটমেন্ট কয়াসু থোকখি। মাবা হায়খি:— "মণিপুরগী দরবার মেম্বরশিং অসি মহারাজগী অপাম্বা মীওই থন্দুনা হাপ্পনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী সাসন তৌরি। দরবার মেম্বরশিং অসি প্রজানা থনজবা মীহুৎ নত্তবনা, প্রজা ঐখোয়গী য়াইফবা পুরকলোই। প্রজানা থনজবা মীহুৎনা সাসন তৌরবতদা প্রজাগী য়াইফবা পুরক্কনি। লোমী ইচিন ইনাওশিং। চৌকিদা ফল্লিবা অভম অখোশিং অসিনা চৌকি তেক্কনা ওন্থরকপদা নোংমদি নখোয়গী নথুবাক্তা তারগদবনি।"

অসুন্না মাবা পীথিবা রারেপশিং অমসুং ষ্টেটমেন্টশিংসিনা সরকারদা থঙহনবত নত্তনা রাজনীতি দল অমগী শক্তমসু মশক শেংনা উহল্লে। তানজা অসিদা মণিপুর ষ্টেট দরবার কমহুনা থম্লরে। নিখিল মণিপুর মহাসভা অসি রাজনীতি দল ওইরে, মরম অহুনা সরকারগী কর্ম্মচারী অমত্তা মহাসভা অসি য়াওবা য়াদে হায়হুনা নোটিশ থোক্লে। নোটিশ অসিগী মতুংইন্না মহা-রাজগী অমসুং সরকারগী কর্ম্মচারী পুম্নমক মহাসভাদগী তোক্লখ্রে। ইরাবত্তি লন্নাইগী স্বার্থদগী মীয়ামগী স্বার্থনা হেন্না লুপ্পা লোবদগী চিংনবা লৈতনা পঞ্চায়ত মেম্বর ওইবদগী ফম থাদোকখি। তলব অমসুং লোচা পুম্নমক থাদোকপত নত্তনা মহাক্কী থুপী মচাইবেম্মগী তলব, অত্তনলো, লোচা পুম্নমক মহারাজদা লোইনা কখোকখি। নিংথৌগী মচা ইবেম্মা ইরাবতকী মতিক চাবী থুপীনি। নিংথৌ মচা ওইরবসু মপুরোইবনা প্রজা মীয়ামগী স্বার্থদা চংলিবা লম্বীহুদা

খুবৈ অমা লাম্বোক্তনা তুংইল্লীবী লুপানি। অমুম্না ইরাবতনা হুংঙাই-য়াইফবা ওইরবা পুন্সি অমদগী থাদোক্তুনা হেন্না রারবা পুন্সি অমদা লেনগনি হায়না চঙলকপা থোদো অসি উবদা ম'ণপুরগী প্রজা পুন্নমক্না অকিবা, পুক্নিং তুম্মুংবা পোকপগা লোয়ননা মীয়াম্না মাবু হেন্না হুংশিবা পোক্নরকাখ মতমথদা সরকারগী কর্ম্মচারী ওইবদগী তোক্কুনা ইরাবতকী তুংইন্নকখিবনি এলাংবম তোম্পোক সিংহ লোক্নুংশঙগী কেরাণী মতোনতানি

হুংঙাই য়াইফবা ওইবনী পুন্সি থাদোকপত নত্তনা ইরাবত অপাম-লুংশ, অকে-অমে', কল্লক মংগৌবা, অশাউবা, ময়ায় কাবা, নত্তবা চীক্লাক চাবা, মশাগী ওতজবা থিবা পুন্নমক পুমথা থাদোক-তুনা অচম্বা পুন্সিদা লেনবা হোরকাখ মাগী রাখলদা প্রজা মীয়ামগী হেন্না ফগৎপা লুঙাই য়াইফবা পুন্সিগী অওনবা সমজ অমা পুরকপা হায়বসিনা মমঙ ঙায়ববা লায়নিং ওইথি। ঙরাংত অঙম-অখো ওইরম্বা, ঙাসিনা মচম প্রজাগী থাক্তা, ঙরাংতা অঙম অহাওগতা য়াওরম্বা ঙসিনা অকংবা চাবা ফজরগসু তেকপা, চাক থুমগতা চারগসু লেনবা. সম্প্রা এঙ অম চারগসু লেনবা, চীং-মান, থুঙং লোমীগী য়ুমদা, ফক্তা, চরু মরক্তা অহং লেনবা অসিগুম্বা অওনবা মপোক অমগী পুন্সি মরেল লেনখ্রে। মসি কনাগীদমকনো? মরম্নাইগীরা? নত্তে, মণিপুর প্রজা মীয়ামগী স্বার্থগীদমক্তি বৃটিশপু মণিপুরগী লৈমায়দগী তাম্বোক্তুনা ইনাই তম্বা পুর্ণদায়িত্বশিল সাসন লিংঙনা মীয়ামগী মথক্তা ওংলবসি কোক্নবগীদমকনি। মতম অদুগী অঙম অখো খরনা মাবু অঙাওবনি

হায়না লৌনরবসু, ওৎপি-নৈবিররবা প্রজা মীয়ামদি ইরাবতপু লাই-পোক্লি "যুগকী অবতারনি" হায়না শোম্নখি, শোম্নরি, মতুংদসু শোম্নহৌরগদবনি।

বৃটিশ সাসন্না ভারত্তা ওৎলিবা অসিগী মায়য়োক্তা ভারত শীনবা থুংনা অল ইণ্ডিয়া নেসনেল মুভমেন্ট তৌরকপা অমসুং ফ্রিদম ষ্ট্রগল (ইনীং তম্বগী লড়াই) কয়া তৌরক্লবহুগী মণিপুরদা মমি জারকখি। ভারত মচা কয়াবু তমখিবা মওংদা ওৎ-নৈরকপা, মহুগী মায়য়োক্তা ভারত জাতীয় কংগ্রেসকী নীংতম্বগী আন্দোলনদা গোখলেগী ফিদমগী মখাদা মহাত্মা গান্ধীনা লমজিংহুনা মখল মখেলগী সত্যগ্রহ অমসুং আন্দোলন কয়া ভারত শীনবা থুংনা তৌরকখি। কংগ্রেসকী মপুংদা লোকমান্য তিলককী ফিদমগী মথাদা খুদিরাম, ভগৎসিং, নেটাজি সুভাসচন্দ্রনচিংবনা লমজিংহুনা খুৎলাই কাওবা পায়বা ইণ্ডিয়ান নেসনেল মুভমেন্ট অমসুং নীংতম্বগী লড়াই কয়া চঙশিল্লকখি। লোকমান্যনা হায়খি :— ইনীং তম্বা হায়বসি এগী পোকপদা লোয়ননরক্লবনি, ভারতমচানা মসি বৃটিশতগী ভিক্ষা নিগদবা নত্তে, মহুদা মখোয়না চানবীরক্লোই; মসিদা পেন্থোকপা পাম্বিদবা ইরৈ-পাক সুংশিবা পুন্নমক্না মতিকচাবা চৈফু অমনা ইনীংতম্না মুনগদবনি। অসিগুম্বগী খোল্লাও অসিগী মথাদা খুৎলাই পায়বগী লান কাওবা হৌরকখি। ভারত শীনবা থুংনা নীংতম্বগী লানকমদা অথাকপা লৈতনা মশা মশাগী ঈ বলিদান তৌনরকখি, থরাই কয়া কথোক্লরকখি। বৃটিশনা অসিগুম্বা আন্দোলন অসি নমথনবগীদমক সোরোক্তা, লমজাওদা, কৈথেল্দা, মীয়াম তিনবদা মীপুংশি য়াওদবা

মওংদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাংখি। মথদগী হেন্দোক্লুনা জালিয়ানওলাবাগতা মীয়াম হোইজিল্লগা রাগিং পীবা তৌদনা জেনেরেল দয়ালনা নোংমৈনা কাপ্পুনা সুপী অঙাং থাক্লনা লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইত্থনা হাংখি। কযা অমনা মীচায় তৌদনা জেলদা থমখি। কযা অমনা সমুদ্র মথাংদা লোই থাখি। ভারত মচা কর্মচারী লিশিংনা খুজিং ওইত্থনা থবক লৌথোকখি। সভা-কায় মচিন মনাওবু লোই থাখি। ভগৎসিং, খুদিরামনচিংববু ফাঁসি তৌথনা হাংখি।

অসুম্না তৌরক্লবা নীংতম্বগী মৈরীস বৃটিশকী ভমথীরবা ওৎ-নৈবা অত্থনা নমথবা ওল্লমদে। অহোইনতম হেন্না করা ভারতকী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা শমত্থনা চাক্লকখি। মৈরা অত্থগী মঙাল মণিপুরদসু য়োরকখি। অদুগুম্বা মৈরা অত্থ পায়ত্থনা ইরাবতনা কংগ্রেস টুপী উপ্লগা পুর্ণদায়িত্বশীল সাসন অমসুং বন্দে মাতরমগী শ্লোগান লাউত্থনা নীংতম্বগী আন্দোলনদা খোঙদারকখি। বীলাতকী পোৎ শীজিন্নদবা হায়বা শ্লোগান অত্থগী মথাদা মহাকী অমসুং মচা ইরেম্বনা শীজিন্নরম্বা অমদি ইমুংমনুংগী বীলাতকী কি-রোন্ পুন্নমক পুথোক্লুনা চৈরাপ মমাঙদা মৈ থাদোকখি। অচম্বা অনাই-লং শীজিন্নত্থনা চন্না পুন্সি লেনখি। অসুম্না তৌবা-অসি মণিপুরদা ইরাবত মতোমন্তনি। মহাসভাগী কর্মী অয়াম্বা অনাই-লং শীজিন্নখি। অদুম্না মানা কংগ্রেসকী টুপী উপ্পা অমসুং অনাই লং শীজিন্নবসি কংগ্রেস য়াওবগী নক্তে, চুনবা ভারতকী নীংতম্বগী লড়াইদা ক্রিদম

ক্যইটর অমা ওইবগী ভোলন্টিয়ারগী ইয়ুনিফোম' ওইনা শীজিন-নবনি। মহাসভানা কংগ্রেস ওইবগী রারেপসু লৈতে।

অসুম্না ইরাবতকী মহাসভানা রাজনীতিগী লম্বীদা থম থোংনা চন্দ্রশিল্লকপগা লোয়নন। মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না ইরাবতকী লমজিং মথাদা চন্দ্রশিল্লকপা অসি উবদা নিংথৌ অমসুং মণিপুর সরকারনা নমথনবা থৌরাং কয়া লৌথংলকখি। মাংব-শেংবগী মায়োক্তা মহাসভানা সমাজ সংস্কারগী থবক কয়া লৌখংলকপা অসিদা মরাল শীরগা ব্রহ্মসভাগা মাগরগা নিংথৌনা নিখিল মণি-পুর মহাসভাবু মাংলে হায়না ইথোক্লে। মসিনা ব্রহ্মসভানা মণি-পুরগী প্রজা পূমনমক মাংহল্লে হায়বা যারে। মমৈথংদদি ধর্মগী মিংদা লৌরম্বা শেন্ধেক শেনথায় কয়া ককথত্তুনা অওং-অনৈ মরু কুম্লোকখি।

ইরাবতকী মাগী অসিগুম্বা থবকশিং অসি মণিপুর মখুংদদা তৌদুনা লৈনীংলক্তে। মণিপুরগী মপান্দা ঢাকা, বর্মা, আসাম, কাছাড়নচিংবদা চৎ চত্তুনা অর্গেনাইজেসন কয়া লিংখৎলুই। ভারতকী নীংতম্বগী লানগা লুচিংবাশিংগা উনরাই। মরমসিদগীনি ইরাবতপু মণিপুরগী নেতা নত্তে হায়রিবা।

খুঙ্গংগী লৌমীশিংগী পূজি

মণিপুরগী মশীং যাবা শরুক্না লৌউ-শিংউবা কাঙলুপনি। মতম অহূগী পুজিদি অরাবগী মশক্নি। লৌমীশিংনা পুন্সি চুপ্পা

তুমিৎ কাং, তিনকা-কাকথৈ, নোংজু-নুংশাদা তুম্বা চাবা থওদমা লো উরুবা পোৎথোকশিং নিংথৌ মচা, ফম্নাইবা, লোয়াম চাবা ইনাক খুমবা কাওবুগী মকোক্তা থিনগৎলুবা। শেনয়াম পায়বা বৃটিশকী এজেন্টশিংনা লোমীগী কোক্তা লৈতংরিবা ফো অহুম মথোয়না মুমল লেপ্লুনা সের ৫০ না মন শারগা লোথৎলি। মথোয়দগী লৈরুবা কান্দনা সের ৪০ না মন শাহুনা পীরকলি। মথোয়গী মনীংনি। হায়রুবা য়াদে। লোশাল ফোংপাং ১২ তম্বগী নিয়ম লৈরবসু চৎনহন্দে। অতুগা অমুক পাং-কোমদা কুমহুনা ঙা ফাজবা, ইনচিংজবা, মশাগী লোরক্তা ঙা ফাজবা, পাওগী থাংজিং, থরো-থম্বাল, থমজেৎ, লেফম্, পেম্বুং হেকপা, ইকং থাদা কোথা থম্বৌ তানবা, শীংগীদমক থম্লাথোক হেকপা খিবিক অসি য়াহন্দে। করিমুক হায়গনি অঙাংশিংনা থোংবাম্পা থোই চোপ্পদা ঈশিং শন্নে (জল সম্বন্ধিনি) হায়হুনা শেন্দ্রেক লোই।

অমুক পোইন্দু লোইরগা লমজাউদা চৌদা চক্তুনা ই খুদাপ অমা কান্নুবা, শীং কোকথোং অমা চল্লুবা যাদে, পম্না পরল অমা, উগী খুদেং অমা, শুক অমা, নাওংথোক অমা, য়েংপু অমা লম্বীদা পুত্থনা চৎপা য়াদে। ইশাগী ইঙ্গোলদা হৌজবা উ অচোবনা হি শাজবা, বুম শাজবা য়াদে, পূম্নমক মাশুল লোরম্মী।

লতম অহুমী লম্বী থোং অহুকী মতিক ফংলমদে, লোরাইদা পোট অকিস লৈরমদে। লৈথোম্না খুকউ সুনা পুখনা ঈশিংদা লান্দুমা চৎমরম্মী। উরোক থোং লানবদা থেরা লোরম্মী। খুল অমদগী খুল অমদা চথোক চৎশিন রানরম্মী। ইম্ফাল সহরগী

ময়ায়দা শুঙ খরদং থাবা নত্তনা অতৈ অমা তোরমদে। করিগুম্বা চিঠি, রাইনচিংবা পাবা তারবদি চেংজেন পুত্থনা খোঙনা মাইল কয়া লাপ্পা ইম্ফালদা চংনরম্মী। পাংপাল্দা তাবা থুলশিংনা নিংথৌগী কুম অমা চাবা ওক্লবা ঙা কংকনি। শা-লান লাক্লবদি প্রজা হৌত্তনা চংকনি। কৈজনবা থুংলাই পায়দবা প্রজাগীনি। থুংলাই পায়বা ফম্নাইবা, সেনাপতি চংলোই। মৈতুম অমগা মোরোক অমগা পুদুনা পাউ লাক্লবদি চাক চারম্লবনু তোক্তুনা থুংলাই য়াওদনা কৈ ফাবা চংকদবনি।

থুঙ্গংগী লাইরবশিংনা নংশিবা খুদোংথীরশিং অসিগী মথক্তা সরকার অত্থনা য়াইরেক শন্থি, পিয়ন-আমিনগী চাকথাক, পোথাং, বেকার, দোলাইরেংনচিংবা মথল মখেলগী অওং-অনৈ অসি তৌরম্মী। সরকারগী থাজনা পীবা লাক্লিবা মীওইশিং অত্থনা খোমগংলিবা পৈশাশিং অত্ত থুলগী মীথা তৌত্থনা অহিং শঙগনি, অত্তগা প্রজানা খিনগংকনি। লোকুংশঙগী কেরাণী, মুহোরী, পিয়নশিং অত্থনা লাকপা মতমদা মখোয়না চানৌং-চানৌংবা পীজগনি। পালি তারিবা থুল অত্থনা শীং, য়েঙ্খাং-নাপী পুরক্তুনা মখোয়বু পেন্নবা পীজগনি। থুঙ্গংগী মশক-মতৌ কজবা লৈশাবী নত্রগা মো নহাশিংনা মখোয়গী মপুক পেন্নবা খোং-থাকপা, সেবা-লাংবা তৌগদবনি, তৌদবা য়াদে দণ্ডনি। মসিদা বের৷ তৌরুরবদি পাং তিংলগা ফুগনি। থুঙ্গং অমদগী থুঙ্গং অমদা চংপা তারবদি লৈখোম ঈশিং মরক্তা পিয়নশিং অত্থবু দোলাইদা পুগদবনি। রাবা য়াদে, শাকৈ থাগনি। চীংমান, পাং-কোম, অকা-অকুম

দোলাইরেং, রায়েন পথাপনি। মখোয়গী মপোৎ-মচৈ মখোয়দা কংপা অংথেমপোৎ থুল মথং মথং থিল্লগদবনি। পোথাং বেকারগী চৎনবীনি।

লৌমীগী সভা

মণিপুরগী খুঙ্গংগী লৌমীশিংদা ওৎলিবা অসি থাঙবা ভমক্র-ক্তনা লৌমীগী পুন্সি কয়বা, খুঙ্গংগী স্বার্থ চাক্রবগীদমক লৌমী কাঙ-লুপ মথৈ পূনবা দরকার ওই হায়বসি উরকখি। মরম অদুনা শোক ১৯৩৫ দা নম্বোলদা লৌমীশিংগী ওইবা অচৌবা মিটিং অমা সলাম হেরানন্দ সিংহ পঞ্চায়ত মেম্বরনা সভাপতি ওইদুনা তৌখি। মিটিং অদুনা "মণিপুর কৃষী সম্মেলনী" কৌবা লৌমীগী সভা অমা লিংখৎখি। লৌমী মরুপ অসিগী সভাপতি সলাম হেরানন্দনা ওইখি। শ্রীমাইমোম মধুমঙ্গল অমসুং শ্রীওক্রম ইবোমচা কবি-রাজনা মথংশিংনা জেনেরেল সেক্রেটরী অমসুং সেক্রেটরী ওইখি। অসিগুম্বা লৌমীগী সভা অসিগী হেড কাটর নম্বোলদা ওইখি।

কৃষী সম্মেলনী অসিনা আন্দোলন কয়া তৌখিবগী শ্লোগান-শিংদি :— (১) লৌমীদগী লৌ শৎপা য়ারোই, (২) উতোং ৬৪ না শংবাই শাগদবনি, (৩) সের নিফুনা মন শাগদবনি, (৪) রাইয়েক শন্নি ককথৎলু, (৫) পিয়ন আমিনগী চাকথাক ককথৎলু, (৬) পোথাং বেকার দোলাইরেং ককথৎলু, (৭) পাৎ, জঙ্গোল প্রজাগীনি, মাশুল কক্রদবনি, (৮) খেরা কয়া ককথৎলু, (৯) চন্দনগী শেনখায় লৌরোইদবনি। অসিনচিংবা দাবী কয়াগী

আন্দোলন তৌরকখি। সরকারনা রাজনীতি পার্টি অমা ওইনা উরকখি। মরম অদুনা মীওই খরস্তু কিনরকুনা সভা অসি থাদোক্লরকখি।

কৃষী সন্মেলনী অসিনা মথল-মপেল কয়া থোক্লা আন্দোলন লমজীংলকখি। ইরাবতনা লমজীংদুনা মাংবা শেংবগী মায়য়োক্তা তৌবা আন্দোলন অদুদস্তু মপুং ওইনা শরুক য়াখি। হিদংময়ুম অমুবা শর্মা কৌবা অমবু ব্রহ্মসভানা রতন হাপ্পুনা মহাক্লা নম্বোলগী মী কয়াবু মাংলে হায়দুনা ইন্থোকখি। মতুগী মায়য়োক্লা সহি ময়াম খোমদুনা ওক্রম ইবোমচা কবিরাজ, কৃষী সন্মেলনীগী সেক্রে-টরীনা লুচিংদুনা পি, এম, এস, ডি সাহেবতা দরখাস্তু থাই। তাং ২ | ৪ | ৪০ ইংদা ইবোমচানচিংবা মীওইশিংবু দরবারনা কৌখত্তুনা বিচার তৌই। নম্বোলদা কয়ারক হন্না পব্লিক মিটিং তৌদুনা প্রতিবাদ তৌই। ইবোমচা কবিরাজনা মিটিংদা রতন-শিংনা তৌরিবা অওৎ-অনৈ কয়াবু অকনবা প্রতিবাদ তৌবসিদা রতন অমুবনা ইবোমচাগী মথক্তা কেশ তৌরুবদগী দরবারনা তাং ১৪ | ২ | ৪১ ইংদা কৌখত্তুনা বিচার তৌই।

হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী থোগল ওইনা নিপা পালা ঈশৈ শকপা চত্তবা য়াদে! চত্তবা খুল অদু শেন্তেক ১০ দগী ৪০ কাওবা লোই। পুংলি, করতাল মরীনা শেন্তেকী সমন্না। মতুগী মায়য়োক্লা আন্দোলন কয়া তৌই। ঈশৈ শকপা কাদবগী পালা লোয়শঙনা ওক্রম ইবোমচা, সুবলনচিংববু কৌখৎলে। শেন্তেক তারে, অদুবু পীবত্রে। মতুংদগীদি শেন্তেক লোবসি তোকখি।

কৃষী সম্মেলনীগী কর্মীশিংনা সেবা সমিতি শেমজনা প্রজা সেবা তৌবসিগী মমাঙদা পাঁচ অনা চন্দলগী শেনখায় অমাদ পোং-থাংগী মায়য়োক্তা অকনবা আন্দোলন কয়াসু তৌখি। মতমগী লুচিংবশিংদি :— নিংথৌজাম্বা য়াওজব (খা-জিরী), নাওরেম ইবোজাও (খা-জিরী), নোংমাইথেম পনচাই (ফোইজিং), লোক্রোকপম অঙাতোন অসিনচিংবনি। মখোয় অসিনা লুচিংজনা চন্দলগী শেনখায় পীদ্রে লোয়নবা পোথাং পু হায়বা য়াদ্রে। প্রতিবাদ সভা কয়া তৌরে। মণিপুর সরকারনা মখোয়শিং অসিবু শিলং জেলদা চহি ৫ গী জেল পীখি। আন্দোলন অসিগী হেড কাটরদি নম্বোলদা ওইখি।

মসিগী মতুংদা মণিপুর কৃষী সম্মেলনীনা লৌমীশিংগী ওইবা দাবী কয়াগা লোয়নবা আন্দোলন তৌরকপনি। মসিগী হেড কাটরসু শোক ১৯৪৭ কাওবদি নম্বোলদা ওইখি। শোক অসিগী মমাঙদদি সভা অসি ওল মণিপুর কেরেক্টরদি লৈজরবসু মণিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা ওর্গেনাইজেসন তৌবদি ভুম্মদে। সভা অসিগী মরুওইবা কর্মীশিংদি :— ওক্রেম ইবোমচা কবিরাজ, মাইমোম মধুমঙ্গল, সলাম তোম্বাল, হুরাইবম শম্বো, মোংজম সুবল, মোংজম তোম্বা, লম্ফেল, ইবোমচা, নাওরেম নরত্তম, মেরা নাগা অসিনচিংবনি।

আনিশুবা শরুক

রাজনীতিক অন্দোলন

নুপী লান

শোক ১৯৩৯ গী ডিসেম্বর তাং ১১ গী অহিংনি। ইম্ফাল সহরগী অপোকপদা লৈরিবা চাকথুম থুদিংমক মৈ মুংনখি। মশীং য়াম্রবা ইমুং খরা নত্তনা চাকথুমদা চাক থোংম্রবা ইমুংশিংদা পুক্ক চক যাওদনা অহিং নিংথিনা তুম্বা য়াফমন্থ থোক্কে। অওইবনা পিক্রিবা অঙাংশিংনা চাক লৈ লৈতে খঙদে, মমা ওইবি-শিংদা চাক পীয়ু হায়না তেংথারি। মমা ওইবীশিংনা নুংথিল চুপ্পা লেম্নরবা মতুংদা চেং য়ানবা কংলক্কে হায়বদু পিক্রিবা মচা অঙনা খঙদে, খঙফমন্থ থোক্কে। মানা খঙলিবদি চাক লাম্বা অদুত্তনি। মনা অপিশকশিং অদুনা মমা ওইবীশিং অদুগী ফিনা পায়দুনা ইমা চাক চাগে চাক পিয়ু হায়না কপ্পা খোঞ্জেলনা নিনখি। চেং য়ানগে হায়বদা দুকান্দার মাররারীশিংনা পিরক্তবদা মচা অপিশকশিংগী অরাম্বা কোকননবা ওমত্রবা মমা ওইবীশিংগী ফিনা পায়দুনা চাক পীয়ু হায়না কপ্লিবা মচাশিং অদুগা অহিং নোংশোম্নবা কপখিম্নবা নত্তনা করি উপায়দি লৈগনি। অসিগুম্বা অচ্চকপা অকিবা কংলবা মনিপুরদা অমুক্কা থোকখিদ্রবা শক্তম অসি ইমুং খরগীরা? নত্তে। ডিসেম্বর ১১ গী অহিংগী ইম্ফাল সহরগী অনৌবা শক্তমনি। ইমুং মনুংগী লৈতে লায়রবগী মৈরি অমদি মচাশিংগী অরাম্বা মৈচাক হেক হাকথেংনরিবদি মমা ওইবীশিংনি। অদুদি করি তৌবা তারি।

নোংমাংগে। শোক ১৯৩৯ গী ডিসেম্বর ১২ গী অয়ুক্কি। চাক কংদগদরা? ফ লোই, চারা অদুম হেনবা তাই। মরুমদি দুকান্দার

মায়বারীশিংনা চেং রানবা পীদে। চেং লৈতবরা নাকে। লেংদি মরাং কায়না লৈ। মপাঙদা থাদোকখিনবনি মনিপুরগী মীয়ামদা পীঙনবা নত্তে মখোয়গী কুশিনি। অদুদি কৌওইবা লাইরেম্বীগী লৈবাক মনিপুরদা চেং ফৌ লৈদ্রে লৈনা মোনোপোলি মীওই খংতগী কুশদা মীয়াম্না চাক চাবা ঙংদদুনা শিবা তারিবা? অমুক অঙেনবদা ইম্ফাল সহরগী পুম্নমক মীয়ামনা কৌ-কায়নরুবা লৈতনা খ্বাইরম্বা বাজারদা চোঙ্গা কিরে। থেংজিল্লকপা মনিপুর পুম্নগী মীয়াম কিনখি। পুম্নমক মীয়াম্না চেং গারী, ফৌ গারী হৎলে ফারে থাবাল লোইনা পুশিন্লে, অমুক অমুক পুম্ন মীয়াম্না দরবার পুমকোয় কোইশিল্লে। মপান্দা চেং থাবা কিংউ; চেং রানগে চেং পীয়ু হায়বাসনা অহানবা পুলিশ অমসুং মপুক হেইবা লোগাল্লি। দরবারগী প্রেসিদেন্ট মিস্টর সাপ'না নিংথৌ নফিদু হৌখি, মা লৈত্রবদি চেং খাবা থিংবা ঙমাদ কায়রে। অদুম অদুনা টেলিগ্রাম তৌনবগীদমক টেলিগ্রাফ অফিসতা শ্রীমতি তোংগোবী অমসুং শ্রীমতি চাওবীতোন অনিনা লাক-হেৎ শয়েং কোন্দুনা চেনখিনি কায়বগী মতাংগুম মীয়াম্না মরক্তা নংখেল তুমংঙ অমত্তা ফাৎলগা পুরকখি। টেলিগ্রাম তৌবদা নিংথৌ চৎথোকাল থুংক্রে কায়খি। অদুবু পুম্ন মীয়াম্না কোইশিন্দুনা কনা অমত্তা চৎথোকহন্দে। অয়ুক পুং ১-৩০ রোম থাবা মতমনি। মখোয়না আসাম রাইফলগী কমাণ্ডেণ্ট মেজর বুল্ফর্দনা সর্জম পুলিশনা হেন্দনা প্রেসিডেণ্টপু কনবা লাকখি। তৌরিঙুবসুং মখোয়দুগী পুম্ন মীয়াম্না খেরাও তৌশিনখি।

শুংথিল পুং অমরোম তাবা মতমনি, আসাম রাইফল এলাম খোংগ্রে । শান্মী তেঙ্গোল অমা ওইনা লাক্রে। মতোমদু উববা মীয়াম কিথি কিরুম তৌবস্তু মথাওঙ শ্রীযুক্ত লাইশ্রম কহ্ন ইনা লৈতোড অমদা কাখৎলগা ময়ামদ রা জাঙথি ঐখোয়না সিকাংবু কিগনবা নত্তে। থুংলাইস্ত পায়জদবা লালহৌবস্তু নত্তবা প্রজা মপী মীয়াম্না চেং পীয়ু হায়বদা নোংমনা কায়া যারোই. রেঙ্ক কায়ার মথোই। ঐখোয়গী থরার ওইবিবা চেংবু ফঙদনা ঐখোয়না হিংনা লৈবা ঙমগোই। চাদদুনা শিবস্তু শিবা নোংমৈনা পান্দুনা শিবস্তু শিবা .... অস্তম্না মীয়ামদা থোনা পিশিল্লবদা চেং থাবা থিংতি, মিলন চেং তকপা লিংতি, চেং পিয়ু, সিফাই মখোয়না হায়না প্রোগামশিং অসি মীয়ামনা লাউনরকাথ সিফাংনা টেলিগ্রাফ অফিস সর্চ তৌরে, মপী মীয়াম তকথাংলে নোংমৈ কুশনা ফুরে শগিয়া থিল্লে, মুপী ১০ শোক্রে, ৬ না শাদিনা শোক্রে, থরা অমনা শাপরে। মসি মুপী মীয়াম কাথিবা ঙমদে।

নুপী শান্দা মহাসভা

নিখিল মনিপুর মহাসভাগী সেগা লম্বেল পুবা সেক্রেটরী শ্রীযুক্ত লাইশ্রম শক্তাইনা নাগ মপান্দা শমাবোগী যুমদা আফম ওইবা মহাসভাদা পাউ তমলুই। মহাসভাগী লুচিংবশিং সর্ব শ্রীমাঘো, বঙ্কবিহারী, সেক্রেটরী তোম্পোক চিংবনা, ময়ামগী লুচিংবা ইরাবতস্তু হৌজিকমক লৈতে নুপী মীয়ামগী অন্দোলনবু লমজিংলোয় হায়না সাকুপার থোক্রে। অতবু মনিপুরগী ইমা ইবেমশিংবু অরাবা পীরবা, প্রজা মীয়াম্না চয়া হেনবগী মেথু

ফংলবা মতমসিদা মহাসভানা চুমম্না লৈথোকপা চুমদে, ইমা ইবেনগী মশাদগী তাথ্রিবা ঙগী লমন শিংনবা চংদে তাইরবা থনবদগী শ্রীযুক্ত লোংজম বীজয়, শ্রীযুক্ত শৈলেন্দ্র বোকুল অমসুং ইবোতোম্বীনচিংবনা লুচিংজুনা শাং ১২ গী মতমদা আসমগী সুংথিল পুং ২-৩০ রোম তাবা মতমদা প্রজা মীয়ামগা লোয়ননা পুলিস-লেন্দা মিটিং তৌখি। মনিপুরগী সুপা মহাম্না অন্দোলন লম-জিংনবা মীয়ামগী সভা অমা ফম্বা অমসুং লমজিংবগী হরেস লৌ-বগা লোয়ননা লমজিংবিনবা থৈতবদগী তৌফম থভ্রেনা মনিপুরগী মীয়ামবু লমজিংবিনবগীদমক মহাসভাগী প্রেসিডেন্ট ওইরিবা শ্রীযুক্ত হিজম ইরাবৎপু কছারদগী টেলিগ্রাম তৌদুনা কৌথোরবগী বারেপাসু লৌখি। মহাক মফমদুদা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লৈরম্মী।

মনিপুর মহিলা সম্মেলনী করম্না লিংখৎখি।

সুংথিল পুং ... রোম ... মতমনি। যুবরাজ বৃন্দচন্দ্রনা মীয়ামদা আপিল অমা তৌখি। মহাক মপাবুং মহারাজ লাকিবা ফাওবা চেং শাবা হিংলে হায়না। হাইশিং তাবদা মীয়াম থরদি অশাওবা হনথৈ। অদুবু মনিপুরদগী মাররারী তাম্নোক-কদবনি, মিলনা চেং হকপা থিংদবনি হায়বা দাবী অসিদি হাংদিনবনা মসোমদা মপুং ওইবা স্লোগান ওইরক্লে। সুপী মীয়াম্না থাইরম্বদ নম্বাররোমদা চৎশিল্লক্লে। সুপী লমজিংবী শ্রীমতি নবীদেবী, শ্রীমতি থমেং তাতী, তোংগোবী অমসুং চাউবীতোন নচিংবনা লমজিংদুনা মাররারী তানবনা মপুং ওইরবা

মীয়াম: কস্তুরী চ্ছকান থুগাইবা খোইরক্লে। অমুম্বা তোবা অসি ১মিথাং পুং ৯ মোর তাবা মতমনি। থুনক অসিমক্তা মণিপুর মহারাজনা মণিপুরদা চিন ১৮ দিং'ফে, নিংতা লৌখোক্লে হায়না লাউথোক্লে। মীয়ামগী লুচিং বরা নেহরুনা পুম্নমক মীয়ামগী চিঠি অমা তোরে। মনিপুরদা পুম্নমক মীয়ামগী সভা "মণিপুর মহিলা সম্মেলনী" হায়বা অমা লিংখৎলবা মাথেং লৌখপা লৌরমনা মণিপুরগী পুলিস ডিপার্ট তাম্বোংদ্রবদৈ কৈথেল কাদবা হায়বা মাথেংসি লৌখ্রা লুচিংকুনগীদি মুবা হমদি। খোইরমদা কৈথেল চৎথি অমা পুৎলা চুপ্রা কাখিরে। মতম অমদি মণিপুরগী অহায়া কৈথেলসু লেপখি অমমা পুন্থিন থাঙ্গমদা কৈথেল কাবনা ফংলা চৎ অমা কৈথেল কাবগী লৌশিংকী "নুপী কৈথেল" হায়দু-ডিবনি লৌরিবনি।

মথংগী তাং ১৩ ডিসেম্বরদা মহারাজনা মণিপুরদগী চেং থাবা থিং থবা হুকুম অমা পোলিটিকেল এজেন্টনা থাদকনি। লৌঙ্-ক্তনং পুনী মীয়ামা চিন মপুখিংদা মখোয়গী চিন চৎলাইবতোই হায়বগী অইবা মতমতে পাঁচ্ হায়না তকশিনদি। অদুবু লুচিং অসিগী লুচিংলেংনা চিন মপু অমদা উম্না খুৎতে কাবা তাখবগী পুনী মীয়ামা কৈখিলকদি। পোলিটিকেল এজেন্ট চিথমমা ইরেক-ট্র্ক মাইক লৌখোক্লগা হুকুম থোক্লবা কাম্বা পুনী মীয়াম নেলমলুম্ব খুদম হনদি।

মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবত

নুপী লান্দা ইরাবত

আন্দোলন লেপ্পা নৈতে। মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না তোকপা অমা মতম অদুদা যাম্না কন্না শান্দোক্লম্লে হঙ্দুনি—মীয়ামগী অরোবা অমি কোক্কেন্দমক অনৌবা নিংথৌ অমা অতৌবা শাসু তৌদুনা লাক্লগনি। অসিগুম্বা য়াইফশিং অসিদা মচাসন্তানা থুদোংচাবা লৌদুনা যাম্না অদুগা চাম্বিবা অতৌবা শাসু তৌবা লৈবা অদু মখোয়গী লুচিংবা ওইগনি শান্দোক্লম্মী, তাঙ্জা অসিদা নুপী লান হৌবা মুমিৎ ৪/৫ নি লৈরবা মতুংদা ইরাবত লাক্লে। মহাক্না লাকপগা মহাসভাগী কার্যকারী মিটিং কৌদুনা কয়ে। সভা শ্রীমাংসো, বন্দো, লৈশ্রমাজাদানন্দচিংবা কাণ্ডবু অমনা নুপী লান শোগৎনিংদ্রে। ইরাবতনচিংবা কাণ্ডবুনা শোগৎকদবনি হায়রে। মরম অদুনা মহাসভা কায়রে। ঐ লাকবা হাওবা চৈশিন্নদনা লৈবা চুমদে অন্দোলন শোগৎকনি হায়না শ্রীকোইমচিংবনা লৌরবা কীরেদ্রে শোগৎলহনা অন্দোলন হমজংনবগীদমক পুলিস লেপ্পা প্রজা মীয়ামগী অনিগুবা মিটিং অমা কৌখি। মসিদা প্রজা সম্মেলনী শেমখি। ইরাবতপু সভাপতি অমসুং সভাগী সেক্রেটরী শ্রীতোমপোকপু সেক্রেটরী হাপখি। ১। মণিপুরদগী মায়ায়াবা ভাগদনি ২। মিলনা চেং তকপা থিংগদবনি ৩। চেং পীবু হাপ্পকবী মণিপুরগী হৈমা ইবেমশিংগী জগী লমন শিংগদবনি। ৪। আইন সভা লিঙগদবনি হায়বত্রিনা মপুং ওইবা শ্লোগান ওইরকখি।

ইরাবতমা মণিপুরগী মকম থুমিংমক শীনবা থুংনা কোয়চেৎ চেৎতুনা মীয়াম শাগৎখি, সম্মেলনীগী সাথা কয়া লিংখৎখি। গ্রুপ মিটিং কয়া তৌখি। অমুক, সুংখিল, মুমিদাং থায়দে, পোথাদে কোয়না চেৎতুনা মিটিং তৌই। অসুমা কোয়না গ্রুপ মিটিং তৌবসিমা লোইশিন্নকপসিদা মকম চাবদা পরিক মিটিং তৌই। মনিপুরগী মীয়াম্না অঙকপা ফংনা ইরাবতকী তুং ইন্নকখি। সম্মেলনীনা মপাঙ্গল কনখৎলকপসি ঈশিং ইচাওগুম্না হেনগৎলকখি লোয়মনা মনিপুর মহিলা সম্মেলনীবু সম্মজিংলকখি।

অসুক কন্নবা লান্নকসিদা মায়থায়গী অমদি ফত্তবা মীওই থগী থৌইমশিন্দগী চেং পাড়ী, কৌ পাড়ী থর ডিসেম্বর তাং ২৮ দা লাকখি। মুপী মীয়াম্না মালাদা ইম্ফু খিরম্মী মসিদা কেশ তৌরতুনা থৈ পুলিসনা মুপী ৬বু পুথোক্তুনা জবান লৌ-বা তৌরকখি মচুবু মাদতুনা মুপী মীয়াম্না পুলিস ইন্সপেক্টরবু পুং কয়ামুক চুমা কোয়শিন্দুনা থমখি। পুলিস ইন্সপেক্টরনা অদুনা অাঙ্গম মুপী ১বু খোঙপাম্না ক ঙখি লোয়ননা মীরোনবী মুপী মাগী মপুক্তা খোঙপান্না কাওখি। ইন্সপেক্টরদু হাংলো লাইনরকখি। মতাক কোম্পংলোমদা চেনশিনখিদুনা লানথোকখি। মোক্লোক অসি ডিসেম্বর তাং ২৯ দনি।

অন্দোলন্দা অকায়বা করম্না পিরকখি।

মতম অসিদা মনিপুর ষ্টেট দরবার যাম্না তৌয়না কমখি। ইরাবতপু যেশা পাৈর্নন মরাল শিন্দুনা নমথনবা হোংনরকখি। মসিদা মামদুনা রাজকুমার প্রীয়ব্রতনা লুচিংদুনা মণিপুরগী চে

থাববা কয়া হোৎলবরকখি। মনিপুর মহিলা সম্মেলনগী, ব্রজেশ্বরী দেবী, কুইবা কাখিজবা অচৌবা অমসুং ডাঃ বিশ্বম্ভর দেবী লুচিংবশিং কয়া হোৎলবরকখি মীওই মচানা মকাশমতাগী মী শারগা মনিপুর মহিলা সম্মেলনগী মী শাবা তুপী বয়্যাও চৎন্ননবা অমা থারকখি। মরোলদি:— "মনিপুর বীরেশী কাইবা পুড়া যুথংকয়, যাববাশী পুড়া জাম্বোকপা চুমদে মরমদি কার-বাংগী মরম পুমদে হোরবাদি মনিপুর থাগনি। চামদা কুন্দাংদি বীরেশী কাইবা নৈনয়' হায়বদি মনিপুরগী চেং থা দ কপা চামদা কুন্দা থাবয় ' পুমথিং থিংগনু হায়বনি। মশিংবা প্রজা মীয়ামগী মেরুবশিং কয়া কনানো থিগৎলরকপদা সম্মেলনগী মরু ওইবা মেম্বা ত্রিভোম্পোক থাওরদে। মরম অচুবা যাবু সম্মেল-নগী তাথোক্রে। তোম্পোকী মচুংতা লোংবম বীজমনা সেক্রেটরি পুরৌই।

ইরাবতনা মীয়াম শাগৎশিদা চবগাবনা কামব', মরাম পীনবা মথম মথেনগী উপায় শিজিনবা হোৎক্রে। মাংনা মীয়ামগী থিটিং মথং মথং খুরাই, লমলোং, কোংবা, থাংমৈ, নখোল, ইরেং মম, শওম্'নচিংবদা তৌবকপগী ৭৩বা পুলিসলেম্মা ৪৩বা থিটিং অমদা ইরাবতনা থা ওওখি— "মীয়ামা টেলিগ্রাফ অফিসকী থোংনাংদা চিংথি থীবু। এবোমনা চেং পিবু হায়রকপগী শাওমুম খাংবা পীবা লোংমৈ চম্মাম: ফুবা। চেং খুবা অমা কংবা হাবরবদা ই পুখোক অমগা শিমবা। হৈগী লমন ইবা শিন্নুবা চেং খাবা থিংগনবথি। আগনশিং অমদি ইমা ইবেমগী

ঐনা য়িপ থিংবা তারবা চাক্কীদমক মণিপুর লুপীনী ঐ তারবদা লুপানা জেলগী ফরাং কিবদগী তুংগ্না লৈফম থোকপ্রা ? ইমা ইবেমমনী তাংখিবা ঐগী মমন ফিংসি নিংশিংবীবু রুসিয়াগুম্বা ঐংবাক্তা থোনা ফবশিংনা মরিবক কনখিবা। ঐখোয় পুম্নমক লিংজেল মায়বগী লংনা পুন্দুনা হৌরসি ...." অসিনচিংবা। অসিগুম্বা মিটিং অসি শোক ১৯৮০ গী জানুয়ারি তাং ৭ তনি। রাইফেলশিং অসিনা মরাল ওইনা ফিরগা তাং ২১।৩।৪০ ইদা রুল মরবারগী রাবেপ অমা ধর ১২৪ (এ) আই, পি, সিগী মখদা ইরাবতপু ফাদুনা জেলদা থমখি।

জনুয়ারী তা· ৭ কী মতুংদগীদি পুলিশলেন্দা মিটিং তৌবা থিংবগী লমুম অমা জানুয়ারী তং ১৩ দা থোকখি। দরবারগী হুকুম অসিবু শাংলতুনা লুমিং অসিগী অহিংদা মীয়াম তিনখি। মথংগী তাং ৪ গী নুথিলদা মীয়াম চেংনা তিনখি। অসিগুম্বা মীয়াম তিনবা অসি থুগায়নবগীদমক মহারাজ কুমর সনায়াইমা (প্রিয়ব্রত) না সিফাই পুডুনা তোম্বী সুবেদারনা এস, এম, পি, পুলিস পুডনা লাক্লগা দরবারগী রাবেপ পাংথোকই। তাঙ্গা অসিদা লাইশ্রব কহাইনা মীয়াম মরক্তা অতো বা অমদা কাংথংলগা বা ডাংলকই। লালাংবা খুংলাই পাইববু নতুবা প্রজা মীয়াম তিংব থিংখিরে ...... অসিনচিংবা। মসিনা মিটিং অডুম ওনপ্লে। চৈরক অসিদা মাইগৈ থুদিংদগী সভাযাত্রা তৌদুনা মিটিং য়াওবা লাক্লখি। মীয়ামগা সিফাইগা ইমরে। তোম্বী সুবেদার মকোক্তা শোক্লে। সিফাই লোইনা চেনখ্রে। লুপী ২।৩ শোক্লে।

আইন অমান্য অন্দোলন

নিখিল মণিপুরী মহাসভা, কৃষী সম্মেলনী অমসুং কৃষী সম্মেলনীগী শ্লোগান ময়াম্মশিং অদু থৱক ওইনা পাংথোক্লবগীদমক খোক ১৯৩৮ ইংদা সভাশিংশিংগী পম্মিশিং লৌ'ম অমসু সাধারণ প্রজা মীয়ামগা লোয়ননা ইরাবতন লমজিংদুনা আইন অমান্য অন্দোলন চংশিল্লকখি। মকম খুদিংদা অচৌবা মী যামগী মিতিন কমদুনা মরিক চুম্ন নৈংদুনা অন্দোলন চংশিল্লখি। প্রজা মীয়াম সরকার তাক্তনা থের য়াংলে চৌংদগী লিং য়াল্লে ই কা'লে, মাশুল পীত্রে পা'ৎ, ভুরেল প্রজা মীয়াম থোদুনা নৈথায়রগ ডা ফংদ্রে খরো লেফ থমচেৎ পাংথোল শীদনা লেক্রে। খুন্দাকপম নম্বোল, লৈকিম্বী, তাওরোমচিংবদা পাৎ নৈথায়দুনা চাখোক্রে মশা মশাগী ইংখোন্দ হোবা উ য়ামরে। হয়িংখোই লোক্লগা নিংখোদা পীবিত্রে। পিয়ন-আমিন চাক্থাক তৌবিত্রে।

তাঙ্জা অসিদা মণিপুর স্টেট দরবারনা প্রজা মীয়ামগী অন্দোলন নম্থনবা অকনবা রিপ্রেসন তৌখি। মদুগী মায়োকপা মী থরম্ভদা মরাল শিবা য়াদনবা পোৎথাং কক্লবা সমৌ খো মদুনা পী, এম, এস, দি সাহেবত কৃষা সম্মেলনীগী সেক্রেটরী ওক্রম ইবোমচানচিংবনা দরখাস্ত থাখি। তাং ২১।৩।৪০ ইংদা ইবোমচা অমসুং প্রজা মীয়াম কৌথকুনা বীচার তৌখি। তৌইশুমসুং মুখিৎতুদগী পোৎথাং ককখি।

চংশিনমক্তদা লৌরুংশংগী নথোলদা লুপা শংবা পানি লাই-তোনজমনা তাখি। মুখিৎতুদা যোংজম মুবলসিংহনা লুচিংদুনা

লৈপাক শিন্নরো থিনর্বাস অদুগা লম্ভমনবনি হায়বদা, মুহোম্মী কেরাণীশিংত্তুনা য়াম্রে। অদু ওইরবসি লৈপাক মাত্তুক্কবসি অপঙবদা ডাইনগনি। মরম অদুনা লৈপাক কে ইরিবা কেরাণীশিং মপুংদা মপান থোক্কনদনা লম থাজিন্দুনা খংখি থোক্ত চায়গে হায়রবা কাওবা মপান থোকহান্দ্রে। নোংমাল্লগা পি. এম, এস, পি, য়োনার। তৌগুদবসুং মতুংদসি য়াইরেক শান্ন ককথংখি।

নম্বোল বুড়ী বাজারদা পিয়নশিংগী চংক-ঈশিং থাংত্তনা সেবা-লাংব তৌনবা লৈশাবী নত্রগা যোনহা মপাক মতৌ কজবী পুরক্কে লায়দুনা লৈরে। য়েনশা হাত্তুনা শেম্মু হায়রে। মদু গৌড়িয়া বৈষ্ণব ধর্ম্মনা য়াদে তৌবোক্ট চায়না সুবলসিংনা চাম্রুবা মাং তমথিনা ফুংবরে। মদুদা শাওরজনা পীয়নশিংদু য়াচেৎ তংথাইনা তায় তায়দুনা ঈহিং নাপিং শানা ফুদংগে, ভুরেপা তায়দুনা লাকশিল্লে সুবলসিংহবু থানানা কাদুনা জেলদা পিখি। বীচার তৌরবা মতুংদা সুবলবু জেলদগী থাদোকখি অমসুং চাকথাকন্ত মদুদগী কংখি। অসুম্না মথং মথং মীয়াম্না আন্দোলন তৌদুনা সমাজ সংস্কার তৌরকখি। দোলাইরেংশিংনা থুকক্টী ত্তৌনা পুৎথবা লৈখোম-ঈশিংদা দোলাই থাদত্তুনা লাকশিনবন-চিংবা তৌবদগী দোলাইরেং ককখি। দরবারনা নমথনব অকনবা থবক কয়া লোৎলক্রবন্ত মীয়ামগী ঈহোত্ত নমথবা ঙমদত্তুনা অওং-অনৈশিং য়ারিবমথৈ মরু ফুক্কোক্তুনা মাঙহনখি। কৃষী সম্মেলনীগী সেক্রেটরী ইবোমচানচিংবনা লুচিংদুনা পাৎ লৈথাইরগা লৌ উথোকখিবা হাওয়ৌ ওসি কাওবদা অকোয়বা থুংগী প্রজাশিংনা

কার্মিং কো ওপরেশন্ত ওইদুনা নিংথিনা থবক তৌরিবা শিদম্ব-নিঙাই ওইনা লেপ্তনা লৈরি।

ইরাবতকী জেল রিফোর্ম অন্দোলন

শোক ১৯৪০ গী মার্চতা ইরাবতপু চংশু অহৃমগী জেল তৎদুনা মণিপুর জেলদা চংশিনদা লৈরম্বা জেলগী অবস্থা রাজনৈতিক বন্দিশিংগী অক্ষম মতিক চাবা মফম অমস্তু ওইদ্রমদে। বন্দীশিংবু মণগী মক্তংশিন্দুনা থাউগী কোল্লু শুষরম্মী। পৃথক তেঙ্গোং য়াউদনা চাক পীজে। মীনা চাবা য়াবা চিঙ্গোক পীতরমদে। কি য়াওদনা উপাক মথক্তা হিপকংম্মী ইরাবতনা বন্দীশিং অসিগী অপুনবা শাগৎলগা জেল মনুংদা অন্দোলন তৌরম্মী। মাগী থবকাসং অসিনা মরম ওংদুনা ইরাবতপু মণিপুর জেলদা মাগী অরাং মিয়াং অদু চুপ্পা থম্বা সরকারনা পাম্লমদে। মবু শিলেট জেলদা টান্সফার তৌখরম্মী

শিলেট জেলদা ইরাবতকী বীপ্লবকী ট্রেনিং সেন্তর ওমগুম্বা থোকখি। মতমসি ভারত নিংতম্বগী অন্দোলন কনশিল্লকপ, ইয়ুরোপকী নাজি জর্মন হিটলারগী মথাদা পৃথবী য়োংলগে মতাগুম থোরাং কনশিল্লকপা জাপানস্তু ফেসিজমগী মথাদা চকশিল্লকপা মতাংনি। ভারতগী ব্রিটিশ তাম্বোক্লবগী অন্দোলন কনশিল্লকপা অসিদগী ভারত শিনবা থুংনা রাজনৈতিকদলগী নেতা অমসুং কর্মি কয়া ফাজিন্দুনা জেলদা থম্লম্মী। শিলেট জেল মনুংদা কংগ্রেস অমসুং কমুনিষ্টকী কর্মি কয়া লৈরম্লে জেল মনুংদা জেল রিফোর্ম অন্দোলন কয়া শাগংখি। পৃথিবীদা থোকখিবা বিপ্লব কয়াগী, নিংতম্বগী আন্দোলন কয়া কমুনিষ্ট

পার্টি অমদি মার্ক্সিস লাইব্রিক কয়া পারম্মী। ইরাবতনা মণিপুরদা লৌমি-শিন্মী, লায়রবা কাংলুপকী অন্দোলন অদুগা মার্ক্সিজমদা শীরিবা "মীনা মীবু ওৎ-নৈবা" কোরবা ইরিবা, বৃটিশ সম্রাজবাদীগী মথাদা লোই লম প্রথাগী অওৎ-অনৈ, নিংথৌ পানবা ফিউদেল সমাজগী মথাদা লৌমি প্রজাবু ওৎপগী মায়োক্তা মহাক্না থেংনখিবা লোইবা, কাংলুপ নাইবা সমাজ মাঙখিনবা লোইগী বা, মায়বা মীবু কপৎলক্রবা হিদাক দরকার ওইবগুম সোসিয়েলিজমনা অওৎ অনৈ পুম্নমকসি কোকনি হায়বা মার্ক্সিজম নৈনবদা য়াওরম্রে। ইরাবত মশা অসি কম্যুনিষ্ট মশক্ত থঙ-ত্রিডৈংগী মাগী থবক্তা কম্যুনিষ্ট অমা ওইরম্রে হায়না মশানা চপ চানা খঙবা হৌখি অমসুং থৌন্দনা আসাম প্রদেশ কাউন্সিলগী, ভারত কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর ওইখি।

ইরাবতপু মরৈবাক মণিপুর চঙহন্দবা

সোক ১৯৪২-৪৩ আস ২শুবা লাঙ.ওগী কয়া চঙশিন্নকপা মতমনি বৃটিশপু ভারত থাদোক্কনা চংখিনবা অকনবা অন্দোলন মতমনি। বৃটিশ সম্রাজ্যবাদীবু তান্থোক্নবা থৌবা অন্দোলনগা মরি লৈননা মীয়াম ফাজনা তমখিরবা জেলদা নমশিল্লি। ইরাবতকী চহি ৩গী মীয়াৎ শুরদুনা শোক ১৯৪৩ দা অরোইবদা শিলেট জেলদগী থাদোকরখি। অরাবদি ইরাবতকী রাজনৈতিক গুণ মহাও তংপ্রবা বৃটিশ সরকারনা অমদি নিংথৌনা ইরাবতপু তাঙ্গা অসিদা রারেপ অমনা মণিপুর চঙহনখিত্রে। মণিপুরদা পোকচবা মণিপুর প্রজাগী মথক্তা ওৎ-নৈবা কয়া কোকহনখিবা ইরাবত,

মরৈবাক সেবা তৌবগী মনা ওইনা জেলদা চহি ৭ থম্লবা কাওবা থোক্লদুনা, মরৈবাক মণিপুরদা চঙবা য়াদে হায়না দরবারনা হুকুম থোরক্লে। মরম অদুনা ইরাবত কাছারদা লৈবা তাখি। মহাক্না কাছারদা হেদ কাটর ওইরগা ত্রিপুরা অমদি আসামগী মকম কয়াদা চৎতুনা লোমিগী সভা শাগৎখি। লোয়নবা মণিপুরদা লৈহৌবা মাগী কর্মী কয়াগা উমদুনা লমজিংস্থ পীখি।

সোক ১৯৪৫ চঙলকপদা মাগী মুপী সনা ইবেম্মগী অপোকপী মমা লৈখিদবগী সরকারগী পার্মিসন লৌরগা শ্রাদ্ধ য়াওনবগীদমক মণিপুরদা থোরকখি। চহি ৬ কী মতুংদা ইরাবতনা মণিপুরদা হোক্লকপা মসিনা অহানবনি শ্রাদ্ধ য়াওনবা থোরকপা ইরাবতনা মণিপুরগী মকম কয়াদা মিটিং তৌদুনা সম্মেলনী শাগৎলি। মখোয় উবদা সরকারনা মিৎয়েং চঙলিরকপদগী মমা লৈবাক মণিপুরদগী থোক্তুনা কাছারদা লূক হনখি। অদুবু মতুংদদি, বৃটিশনা ভারত থাদোক্লমদাই য়োরকপগা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদী শিথরকপগা লোয়ননা ইরাবতকী মথক্তা মণিপুর চঙবা য়াদবগী হুকুম অদু কোকথোরদুনা মরক মরক্তা মণিপুর চঙনবা পার্মিসন ফংখি। ইরাবত কাছারদা মতিক মগুণ চাউবা মেটা অমা ওইনা লৌমখ্রে। সোক ১৯৪৫ গী আসাম লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেকসনদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী কেন্দিদেট ওইখি। ভারতকী ১ শুবা কৃষক সভাগী কনফরেন্স হৌতিকী বাঙলাদেশকী নেত্রকোনা কৌবা মফমদা ডেলিগেট ওইনা চাওখি ভারত পুম্বগী কেন্দ্র কিসান কাউন্সিলার ওইনা খনখি। লোয়ননা ভারত পুম্বগী

লৌমিগী নেতা ওইখি। মহাক্না লুচিংবদুনা থৈতৈ অগোর কয়া মকমদুদা শাখি। মহাক্না লেংজবা লৌমীগী ঊদৈশ শকখি।

ভারত নিংতমগী লান্দা মনিপুর

প্রজা সম্মেলনগী প্রেসিডেন্ট ইরাবতপু মনিপুর চঙহন্নবা কছারদা লৈরিবৈদা মাগী একটিং ওইনা ভাইস প্রেসিডেন্ট থোকগোম অঙৌবা প্রেসিডেন্ট ওইনা পুরোই। জেনেরেল সেক্রেটরি তোম্পোকপু ভাম্বোকপ্রবা মথংদা লোংজম বীজয়না জেনেরেল সেক্রেটরি ওইরোই। ব্রিটিশকী মীনাই য়োংহ্নিংগী থোংজি অদু থদংদুনা নিংথা তম্বা মনিপুর অমা ওইবা নেতা ইরাবতনা পামই। মচুগী দমক অন্দোলন কয়া তৌদুনা লাক্লি। লোয়ননা শোক ১৯৪২ গী আগষ্ট তাং ৭ তা বোম্বেদ কপা ভারত কংগ্রেসকী অধিবেশনদা ব্রিটিশপু ভারতকী লৈমাইদগী ভাম্বোক্লবা "ভারত থাদোকউ" হায়বা বারেপ লৌরবা মতুংদা গান্ধিজিনচিংবা লুচিংবা কয়া কাখিবা, ভারতকী মীয়াম্‌ ব্রিটিশকী নোংথৈ ওনিবা হাংপা হৌরকখিবা অতৌওবা অন্দোলনগী থৈগীচু মনিপুর য়োৎরকখিদবা নত্তে। ইরাবতনা মনিপুরগী মীয়াম লমজিংলকখি হায়বদি ব্রিটিশনা মুয়া থমই।

<u>ইরাবত অমমুং মাগী পার্টিদা লেতাজী সুভাসচন্দ্রগা মরি থমদুনা মনিপুরদা লাম্মী শেমগৎতুনা</u> ব্রিটিশকী মায়োক্তা লান হৌনবগী থৌরাং তৌরে হায়না ওল ইন্ডিয়া রেডিওদা অমদি ভারতকী খবর কাগজ কয়াদা ভারতকী বৃটিশ সরকারনা ইরাবতকী পার্টি প্রজা সম্মেলনগী কর্মীশিং অমদি মেম্বরশিং মরি লৈমবা মীওইশিং কাগৎতুনা লাংথবান খিনিটখি জেলদা

ওৎ-নৈবা হৌরক্লে। ইরাবতকী মথক্তা অমুক হন্না ব্রেণ্ট ইভ তৌগ্রে। শোক ১৯৪৩ গী অরোইবদা মাবু দিযেন্স ওক ইন্দিয়া রুলগী মথাদা কাওনা খা ৮ জেল পিখি মসিনা বৃটিশকী মথুক্তা অনিশুবা জেলনি।

প্রজা সম্মেলনীগী কর্ম্মী কয়াবু লাংথবাল মিলিটরী জেলদা কাগত্তুনা তমথিরবা মওংদা ওৎপা, নোংমৈ শুন্দামা শুবা, খোঙউপ বুটনা কাওবা, নৈপাক্তা তুমহনবা, চাক পিজদবা কোম তৌরগা নৈখোম মরক্তা অহিং নোং শোয়বা থম্বনচিংবা মীওইবা অমদা চৎনৈহনবা অওৎ-অনৈ কয়া তৌবা হৌরক্লে। অরাবা অমদি তাকৈদবা মশাক্ত থুগংদা চঙহুনা শুপী অচাংশংদা হৌনদবা আওৎ অনৈ কয়া কয়া তৌখিবা মীরোনবী সুপী কয়াগী মপুক্তা খোঙপাক্তা কাওবনচিংবা তমথিরবা শাজৎ কয়া চৎপা হৌরক্লে। মতাং অসিদা অবাবা কয়া খাঙখিবা, নাজাইসিংনা মায়োয়হুনা তেম্না য়ানবা, চুরি মথাদা ইনথুবা মৈতৈ শুপীশিংগী লিংজেল থাগৎনিঙাইনি।

করামা করম্না লিং-জগপী শান চৎখ?

ইরাবত বৃটিশ সরকারগা শীংনরক্লে। প্রজা সম্মেলনীগী কর্ম্মী পুম্নমক অন্দরগ্রাউন্দ চঙক্রে। ইরাবতকী আন্দরগ্রাউন্দগী পুন্সিদি কছারদনা মপুংফি। অন্দরগ্রাউন্দ নৈরিঙৈদা মনিপুর প্রজা সম্মেলনীনা মনিপুরদা ওইরিবা ফিবম অদুগা চাম্না বিপ্লব অমদি লড়াই তৌনবা অওইবমক শেম শাগ্রে। শোক ১৯১৭ দা রুসিয়াদা ওক্টোবর বিপ্লব মায় পাকপ্রবা মতংদগীদি পথৌবীগী

মকম খুদিংদা মেমমেল লিবরেসন ফ্রণ্ট (জাতিগী নিং-তম্বগী অন্দোলন) য়াম্না য়াংনা চঙশিনখ্রে : রুসিয়াগী বীপ্লবনা থৈবা ওইনা চুথখ্রে।

ভারতসু রুসিয়াগী বীপ্লবনা মতেং পাংদবা নত্তে। খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা সম্রাজ্যবাদী অমু নিকথরবা মতমনি। মরৈবাকপু মনিং তমহনবা পাম্বা ভারত মচা এক্সটি মিষ্ট কয়াবু ভাম্বোক্লবা মতমদা, মখোংনা আফগানিস্থান কাওদুনা রুসিয় য়ৌথরসিং অদুনা রুসিয়াদা বিপ্লবী অমগী ট্রেনিং কংলদুনা ভারতা অমুক থোক্লকখি। মখোয়না ভারতকী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা বীপ্লবী লাম্মী শাগৎখি। ভারতকী নৈমাইদগী ব্রিটিশপু ভাম্বোক্লবগী থৌরাং মায় পাকখি। অদুগুম্বা ভারত শিনবা থুংনা চাকথৎলক্লিবা বিপ্লবকী থৈরিদ্ধ মনিপুরদসু য়ৌরকখি। ভারতনা নিং তম্বগী মতাম লাক্লিবা অসি, ভারতা তৌখিবা টেরোরিষ্ট মুভমেণ্ট, আই, এন, এ গী লালহৌ. বোম্বে নেভেল রাইওটিং (ঈশিং লাম্মী লালহৌ) নসু অয়াবা মতেং পাংখিদবা নত্তে। পুম্নমক অসিগী অকনবা লড়াই, ঈহৌ মরাম অসিনা হেনবদনা ব্রিটিশনা ভারত থাদোকপা তাখিবনি।

তাঙ্গা অসিবাইদা, মনিপুরগী প্রজা মীয়াম্না ব্রিটিশপু ভাম্বো-ক্লুনা নিং-তম্বা লৈবাক ওইনবা কিন্দব কাইটর শাগৎলু অমম্বং-থা অমগী মথুংদা চংলকউ বাবদুনা সুভাসচন্দ্রনা সম্মেলনীগী একটিং প্রেসিডেণ্ট অত্তোদা চিঠি পিরকখি। লমজাঙম কুকিনা মাপী সুপী হোয়াকিম পুদুনা চীংমীনা তম্পক্তা কুম্বা শাদুনা

সন্মেলনীগী লুচিংবসিং উইরে। লাইশ্রম কন্হাই সেনগ্নারোম, খোকচোম অঙৌ শিংজমৈ, ড'ক্তর গুলাপচাউ, পোৎশংবম তোমাল চৌংথামখা নচিংবা সন্মেলনীগী লুচিংবসিংনা শক লোন্তুনা মণিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা ফ্রিদম ফাইটর শাগৎলি। মখোয়না অরে য়বদা নিলোং, ইশোক, নম্বোল, কৈনৌ, ঙাইখোং, তৌবুল, কাসকাই কাওতুনা বিসেনপুর য়ৌরগা নিংথৌখোংদগী হিনা শেন্দ্রা য়ৌশিল্লি। লুমিদাংদা আজাদ হিন্দ ফৌজগী কর্নেল মালিকা উন্নতুনা বৃটিশকী মথুত্তা মরৈবাক কন্নবগী দমক দলিন্দা ইনা সহি তৌনৈ।

মথংদা তুংতন্নবা লোংজম শীতল ইরোম তোম্বী চৌংথা মখা, মোইরাংথেম যাত্রা বিসেনপুরনাংবনা লুচিংবা কাংবু থুংলে। অমুক মথংগী থেজদা রাংথেম জ্ঞানেশ্বর নম্বোল, থাঙ্গ নিল্লমনি, মাইরেম্বম কোইরেং মোইরাংনচিংবনা লুচিংবা কাংবু চঙলকই। লোংজম বীজয়দি পুরানা কেম্পতা লৈতে, চৎখোক চৎশিন তৌই। মরমদি মাদি সন্মেলনীগী সেক্রেটরী ওইবনা ওর্গেনাই-জরগী থবক পুত্নুনা লৈ। মীয়াম উমবা লেপ্তে, ইরাবতকা মরক মরক্তা উমদুনা, কছারদা চৎতুনা লমজিং কয়া লৌই।

মণিপুরগী ফ্রিদম ফাইটরশিং অসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেণ্টা থবক পুনৈ। লাইশ্রম কন্হাইদি ইণ্টলিজেন্স দিপার্টমেণ্টতা থবক পুই। মপুংদা রেঙ্গুন হেদ কাটরদা লৈ। থা ১১ রোম লৈরবা মতুংদা কলিকটাদা জহাজনা থিল্লকই। সরকারনা কাহ্নুনা লালকিলাদা বীচার তৌরগা শোক ১৯৪৬ তা থাদোকই।

মরৈবাক লিংবা থৌনা ফবা মণিপুরমচা কয়ানা নিং-তম্বগী লানফমদা ক্রিদম কাইটর অমা ওইনা থিংচমদুনা আত্মা বলিদান তৌনরকুবা অন্দরগ্রাউন্দা অমদি জেলদা অয়াবা কয়া থাজনরবা, সাধারন প্রজানা বোম-তোপ নোংমৈ মরক্তা লেপবা, মমা মচা মফম থডনদনা লানচেন্নরবা মতমসিদা মমাংবৈদা নিখিল মনিপুরী মহাসভা 'ওইরম্বদগী চেনগ্রবা অমদি তাম্বোকপ্রবা মীওই থরদি লাল্লক্তা থিকা তৌদুনা বৃটিশকী মতেং পাংদুনা, সি, আই, দি সাদুনা শেল তানখি অমত্তুং মশাগী ওইজবা খিখি। শোক ১৯৪৬ অদুরাইদা শোইদনমক বৃটিশনা ভারত থাদোক্তুনা চৎ-প্রগনি খঙলকপা কান্দা সাশ॰গী শক্তি পায়রোনবগীদমক মথোয়শিং অদুনা মনিপুরদা কংগ্রেশ লিংখৎনবা হোৎনরকখি।

অষ্টমশুবা শরুক

মনিপুরদা অনৌবা রাজনীতিগী শক্তম

মনিপুরদা ইরাবত হল্লক্লে।

খোক ১৯৪৫ দা ইরাবত মনিপুরদা হল্লক্লে। মনিপুরগী রাজনীতি দল অমত্তমক লৈদ্রবা থেম্না কয়া মনিপুরদা অন্দোলন চঙশিল্লকপনি। মাশ ওর্গেনাইজেসন পুম্নমক পার্টি অসিগী মখাদসি নিখিল মনিপুর মহাসভা, প্রজা সম্মেলনীনচিংবা মথং মথং দলশিংশি লৈক্লিরৈদো প্রজা মণ্ডল কৌবা দল অমনা প্রজা সেবা ত্তৌরমই। মপাঙ্গল শক্তি লৈবা দলদি নত্তে। অদুগুম্বা প্রজা মণ্ডল অদুগা হৌক্তিক থবক কয়া তৌরিবা প্রজা সম্মেলনীগা পুম্না কুক্কক সভাগী মীওই কয়াম্সু য়াওনা প্রজা সঙ্ঘ হায়বা পার্টি অমা খোক ১৯৪৫ দা শেম্লে। প্রজা সঙ্ঘ মণিপুরগী অমত্তা ওাইরবা পার্টিনি। ইরাবত অদুমক প্রেসিদেণ্ট ওইরিবা অসিগুম্বা পার্টি অসিগী কিরেপতি মনিপুর লিংতম্বা লৈবাক ওইজবা, নিংথৌগী মহুত্তা মখালক ভোটনা মীথল তৌজবা সাশন লিংবা, মনিপুরদা পুর্নদায়ীত্বশীল শাসন লিংবা মশাগী পার্লিয়ামেণ্ট লৈজবা কন্সটিটিয়ুসন অমা শেম্বা, মীগা-মীগা মায়বা অনেম অরাং লৈত্তবা সোসিয়েলিজম সমাজ ওইহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা প্রজা সম্মেলনীনা তৌরকপা দাবীশিং পাংথোক্রবা হোৎনবা অসিনি।

হায়রিবা পান্দম অসিগী মথাদা মনিপুরগী মফম মফম থুদিংদা শিনবা থুংনা প্রজা সঙ্ঘ শাগৎলি অন্দোলন কয়া তৌই। দিমোনষ্ট্রেসন কয়া তৌই। ইরাবতনা হায়রিবা পান্দমশিং অসি য়োনবা লমজিংদুনা দাবিশিং অসি তৌদুননি। । ।

(১) লাম্দা অরাবা তাক্রবশিংগী কংলুবন পীগদবনি। (২) পুর্নায়ীত্বগীল শাসন লিংগদবনি. (৩) চৌং-তম পুমগদবনি। (৪) নিংথৌগী শাসন মুথৎকদবনি (৫) খুঙ্গংদা গ্রাম পঞ্চায়েৎ লিংগদবনি (৬) আনা লায়েংশং মকম খুদিংদা থমগদবনি (৭) খুল খুদিংদা স্কুল লিংগদবনি (৮) কো-ওপরেতিভ সোসাইটি লিংগদবনি (৯) ঈথৈ লৌখোং শেম-গদবনি (১০) লমহাং লৌ নিমগা য়াহনগদবনি (১১) মাগুন অমস্থং একাগাড়ীগী খাজনা কক্তগদবনি (১২) লৌগী খাজনা হন্থগদবনি।

থবকশিংসি পাংথোকপদা প্রজা সভাগী মতিকচাবা কর্মি কয়াগা লোয়নৈ। মখোয়শিংদি: — লোংজম বীজয়, তখেল্লম্বম খোকুল, লাইশ্রম কহ্নাই, তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী, কাংজবম পারিজাৎ লুপীলক্তা তোংব্রম চম্বু সবী দেবী য়াংথৈ, মস্ত্রি পুত্রি, অথোকপম চম্বু বৃবতি, তখেল্লম্বম চম্বু থোইবী, হিজম চম্বু ইন্দুরেখা, এম, কে, বীনোদিনি, প্রমোদিনি, কথেং জ্যাতি, লখোইথুল ইবেচা, চৌংথৈ ময়ুম পুনিমাসি মোইরাং কম্পু, তোংব্রম পীয়াই, তমুসি-ফাই লোয়নমা লুপী লাপ মতমদগী য়াওরক্লবা ইরাবতকী একটিং ওইনা থবক পুরবা থোকচোম অঙৌ, জেনেরেল সেক্রেটরী ওইনা পুরবা লোংজম বীজয় ইরাবতকী য়েৎ-ওই পাখোমনি। শোক ১৯৩৫ দা নখোলদা লৌমিগী সভা মণিপুর কৃষী সম্মেলনী লিংথৎখিবা অহু প্রজা সভাগী মাপ ওর্গেনাইজেসন ওইনা লৈরকই। কর্মিশিংদি :—মাইথোম মধুমঙ্গল কবিরাজ ইবোমচা; তোমাল,

পি. ইবোমচা, লমকেল; ওয়াইখম খম্বৌ, মোংজম ভুবন, মোংজম তোম্বা, নাওরেম নরজম, মেরা মাপা, খম্বৌ খোইদোং, মোইরাং সনাবা, লাইশ্রম মেরা য়াইরিপোক, মোইরাংথেম তোমাল হৈরোক মাইবম অমুয়াইমা শমুংকম, মাইবম তোম্বা ৱাংথৈ, নোংথোম্বম মনিকচান্দ লৈমখোং মপান, উমম তোনমাংখো কাই-রেনখোক, লোংজম শোম্পোক কোইজিং, লালবাপু শর্ম্মা লখোই খুল, লাইশ্রম মেরা অসিনচিংবনি। মসিদা কৃষক সভাগী মকা-য়োল তোলুমটিয়ারশিংনা ভুংইরি। মখোয়মশিং :— অয়েকপম অঙাহল, য়ায়ো, নোংমাইথেম থনবীর, খোইস্নাম কৈতোম্বী, মোংজম হেয়া-লিং, মোংজম ইবোতোম অসিনচিংবনি।

ইরাবতনা ছাত্র মহারোল কয়াম্ব থেংনখি। মখোয়মশিং নোংমাইথেম যুদ্ধচন্দ্র, খোকচোম বীর, মোইরাংথেম মেঘচন্দ্র, লুমাবম ইবোতোম্বী, নিংথৌজম বীনয়, ভাংতোম মহেন্দ্র অসিনচিং-বনি। হায়রিবা কর্ম্মী পুময়মক অসি পুমা তাশিল্লগা নখোলদা হেদ ওফিস ওইনা লৈরিবা কৃষি সম্মেলনী অহুগী অনিশুবা অধিবেসন নম্বোলদা শোক ১৯৪৬ কী মে তাং ১৬ডা সর্ব্বশ্রী খুত্রাকপম অবুংজাওনা সভাপতি ওইরগা কমখি। অধিবেসন অসিদা সেক্রেটরী ইবোমচানা লৌমীশিংগী ভঙাইকদবা দাবী অমসুং আন্দোলনগী মরমদা রিপোর্ট অমা পীখি অমসুং ইরা-বতনা লৌমীশিংগী হৌজিকমক তৌরবা থবক্কী মরম লৈনখি। অনিশুবা কনফরেনস অসিদগী কৃষি সম্মেলনী হায়না লৈরম্বা মিং অদু মণিপুর কৃষক সভা হায়না মামং ওন্থোকখি। ইবোমচা

কবিরাজবু অমুকম্ হয়া সেক্রেটরী থমখি। ইয়াবতপু প্রেসিডেন্ট থমখি। শোক ১৯৪৭ তগীদি সভাগী বেদ কাটম মখোলদা ওই-রম্মু ইম্ফালদা হোংখি। সভা অসি মনিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা শম্বোক্রবা ওয়োক্লা পাকচাউরবা অমত্তা ওইরবা লৌমীগী সভা ওইরকখি। সভা অসিগী রাষ্ট্রো রাজনীতিক ওইবা দাবী কয়াম্ থাংশিল্লকখি। মথং দি:—(১) মনিপুরদা পূর্ণ দায়ীত্ব-শীল শাসন লিংশনবনি (২) সবালক ভোটনা মীথম তৌগদবনি (৩) চৌ:তম পুনগদবনি।

মনিপুরগী লৌমীশিং অমদি থুজংগী লায়রবা মীয়ামগী থার্থদা মথাগী দাবীশিং অসিমু তানখি:— (১) লৌশিংকী থাজনা কোক-দবনি (২) চৌ: পাৎ-তুরেল নিলাম কত্তুনা লৌ উহনগদবনি (৩) থুজং খুদিংদা স্কুল লিংগদবনি (৪) লৌয়াম চাবা মুৎথলু (৫) লাসোল পায়বনা লৌগী মপু ওইগদবনি (৬) লৌচা পথাপ শেমগদবনি (৭) লানগী কতিপুরন পীগদবনি (৮) একা-গাড়ীগী থাজনা কোকদবনি (৯) মাশুল ককদবনি (১০) থুজং খুদিংদা পঞ্চায়েৎ রাজ লিংগদবনি (১১) কো-ওপরেটিভ লিংগদবনি।

ইয়াবতকী দাবীদি থবক ওয়োকপনি লমজাও লাংলেম কয়া, পাৎ কয়া লৌমী. মীয়াম হৌজুনা লৌ শিন্নোকপা মাংগী থোয়াং থবক ওয়োকপনি। মহুগী অহানবা ওইনা হাওরো লৌকোন্দা, অকোয়বদা তারিবা থুনজা কয়ামুক্তা মথপোৎ ৫০০গী মথক্তা থোক্তুনা লৌ নিংথোকপা ওসি কাওবদা হাউরো কাদিং কো-অপরেটিভ সোসাইটি ওইনা হিংমনিডাই ওইনা লৈরি। মসিগী

মথং ভাবা ওইনা বাথোন লৌকুম্বা লাইভোঙজমগী লৌমী মপথোং ৩০০ গী মথক্তা পুম্না থোক্কনা পাং চাবগা শীংনদুনা লৌ নিনথোকপা থবকী শেংলবা শরুমনি। অসুম্না মণিপুরগী মকম কয়াদা লৌরুপ কমিটি কয়া শাদুনা চঙশিনবা, থেংনবা হৌবকনি।

মাগী খুঙ্গং খুদিংদা স্কুল অমমম লিংনবা থৌরাংদা মুস্তি ভিক্ষা অমদি দোনেসন্না স্কুল লিংখৎপা, খুঙ্গং অদুগী মীয়াম হৌদুনা স্কুল শঙ শাবা, কৃষক সভাগী কর্মীশিংনা ওঝা ওইবা মাগী শিন্থানি। লৈকাই খুঙ্গংদুদগী ওঝা ওইবা ঙম্বা মীওই লৈ-ময়রুগা কৃষক কর্মী ওঝাদু স্কুলদু থাদোকনি। মানা স্কুল লৈত্রিবা অতোপ্পা খুল অমদা চঙদুনা ওঝা ওইদুনা স্কুল লিংখৎকনি। অসিগুম্বা মাগী থবকী থৌরাং অঙকপনি।

অমুক মাগী পঞ্চায়েৎকী মওংদি :— খুঙ্গং খুদিংদা খুল কমিটি অমমম শাগৎলি। খুল কমিটীশিং অসিগী নিয়মাবলী অমা মানা খুৎনা শাইক্লোষ্টাইল তৌথোক্লগা য়েন্নি। হুরান-চিন্থী ভাকপা, থৎম-চৈনবা ভাইশিনমনচিংবা খুল কানথিগী মথৌনি। ভসি কাওবা অদুগুম্বা মথলগী খুল কমিতি লৈনবা য়াওরি।

অপুনবা রাজনীতি দল শেম্নবা থৌরাং

মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গেনাইজেসনশিং পুনশিন্দুনা অপুনবা রাজনীতি পার্টি অমা শেম্নবা মথাংদৈদা নিখিল মণিপুর মহা-সভা রাখরমগী তোকপ্রবা, অদিগুবা লানজাওগী মতমদা লাঙতা ঙীকী তৌদুনা লৈরবা কাংবু অমমা ওর্গেনাইজেসন পুনমকপু

কৌদুনা তাং ১৮ | ৯ | ৪৬ ইং দা এরিয়ান হোলদা তিন্নয়গা ওর্গে-নাইজিং কমিতি অমা শাখি। কমিতি অসিনা জেনেরেল মিটিং কৌখি। নিখিল মণিপুর মহাসভা, প্রজা সঙ্ঘ, কৃষক সভা অমসুং চৌংগী প্রজাদল ৫ অসিদগী প্রতিনিধি অহুম অহুম লৌদুনা কন্সৌলিয়েটরী কমিতি অমা শেম্বা লেপ্লয়ে। কমিতিগী উদেশ্যদি মণিপুরদা লৈরিবা সংস্থান পুম্নমক পুল্লগ পুনশিন্দুনা প্রজা পুম্নমকী মহৎশিনবা রাজনৈতিক সভা অমত্তা ওইনা থম্বনি।

তাং ৪ | ১০ | ৪৬ ইং দা কৈশামথোং রামনয়ান লম্পাক্তা পব্লিক মিটিং অমা কৌই। অদুবু নোংমা অতৎ অথম লৈত্তবদগী এরিয়ান হোলদা মিটিং তৌখি। মিটিংগী সভাপতি ভুবন সনানা ওইদুনা খোইমচানা সভা কন্নক তৌখি। বিনা সর্ত্তদা ওর্গেনাই-জেমন পুম্নমক পুনবা হায়বসি য়ানখি। অদুবু কৃষক সভাদি রাজনীতিক দল নত্তে, লোমীগী সভানি মরম অদুনা মাশ ওর্গে-নাইজেসন ওইনা লৈমিংবগী মত ফোংদোক্লখি। সভাপতিগী মতেং পাংবা খোইমচানা বিনা সর্ত্তদা দল পুম্নমক পুনবা হায়রিবা মা অসিগী অর্থদা ওইত্রে হায়রকই। তাঃ লৈরেম্না কৃষক সভাদি পুম্নিংত্রে, মা কাইথোক্লয়গা শেম্নবা প্রস্তাপ তৌরকখি। ইরাবতনা কৃষক সভানা তিন্নিংবা তিন্নিংদবগী মা অনৌবা লৈত্তে। তাং ২৯ | ৯ | ৪৬ তা লেপ্পরবনি, সুমিৎতুদা য়ানখিজা হায়না হংলক-খি। মীয়ামনা য়ানখি লাউনয়কখি। হৌজিক পাপ্রিবা রারেপ্-শিংসি নহালনু পাপ্রবনি অমসুং য়ানপ্রবনি, হৌজিক প্রতিবাদ তৌবনু চুমবে হায়না খোইমচানা হায়খি লোয়ননা পুনবদা য়ানখি।

ভদ্রলোক অমা সভাদগী তাহোকপা

অপুনবা পার্টি অসি শাবদা লেপরক্লুসা মীহুৎ লৌবগী থা থম্লে। মহাসভাগী মীহুৎ ৩, প্রজা মণ্ডলগী মীহুৎ ৩, কৃষক সভাদগী মীহুৎ ২, ওর্গেনাইজিংদগী ২, পত্রিকাগী ৫ লৌগনি। ঋুরিবদি মসিদা ইরাবতপু মেম্বর ওইনা য়াওবা য়াহল্লে। প্রজা মণ্ডলগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপদা সভাপতিনা লৌয়োই হায়রে। মহাসভাগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপন্থ লৌত্রে। মহাসভাগী মীহুৎ ওইবা কহ্নাই মশানা উইত্রো তৌরগা মাগী মহুৎতা কাম্লীবু হায়বন্থ সভাপতিনা য়াত্রে। কৃষক সভাগী ওইনা থাগৎপন্থ কান্না মখিং কায়বৌবে হায়দুনা য়াত্রে। শ্রীযুক্ত পুরগোপাল সনানা কঙ্গ্লাংদত্ত ইরাবত, অমস্থ ইরাবত, মাইথৈ খুদিংদা ইরাবত, দল খুদিংদা ইরাবত, ইরাবতকী ইরাবত তাক্তা তাইবা পুপাসি য়াওবা য়ারোহ চুবদে হায়রে। কহ্নাইনা মী অমনা দল ২/৩ য়াওবা য়াদে হায়বা নিয়ম লৈত্রা? মসিন্থ ওর্গেনাইজেসন তাক্তনি হায়রি। মনিংলোমদগী ভদ্রলোক অমনা লৈবাকী থবক তৌবদগী মকখ খুদিংমক্তা য়াওবনি লাউয়রবি। মখা তাবদুনা শ্রীবোধেন্দ্র সুবল সিংহনা সভাপতিগী অনুমতি লৌবগা বিনা সর্ত্তনা মনিপুরগী দল পুম্নমক পুনবা য়ারে হায়রিবা মহাসভা অসিবু নিখিল মনি-পুরী মহাসভানা? নিখিল মনিপুর মহ সভানা? নিখিল মনিপুর মহাসভা হায়বসিগী প্রেসিদেন্ট ইরাবতনি, মাবু মীহুৎ ওইনা থাগৎচবদা কন্নিগী লৌয়োইদৌরিবনো? মখিং মুৎপ্রবা লৈখিত্রবা নিখিল মনিপুরী মহাসভাগী মরমদা কন্নিগী পুখৎলি হায়না

হংলকলম্মী" সভাপতিগী তরকতগী খোইমচানা থিজোল্লুসন্না ইথিবা মহাসভাদুনি, পূনবা য়াই য়াদেদি মহাসভাগী মথক্তা অহুম তৌবা য়াগদি থুরকখি। সুবলসিংহনা থওজদদুনা হংলকপনি থুরকখি। অদুবু খোইমচানা নপুং থাঙ্গৎল্লু লাউরকখি। পুং থাঙ্গৎলকখি। মপান্দা খোকপ্রো হায়না হকুম তৌদুনা মপান্দা তোল্লুন্টিয়ায়না হাপ্পোকখি। মতুংদা খোইমচানা সভা অসি গোল মান খোল্লকপা য়াই খোঙ লোনশিল্লু হায়দুনা লোনশিনখি।

মণিপুরদা কংগ্রেস করম্না শেমখি।

অপুনবা দল শেম্নবগী খোয়াংদা শাথিনা কারনবা থোক্লে। ইরাবত য়াওবা য়ারোই হায়বসিনা সভাপতিগী অচেৎপা হাশল্লি। শ্রীকৃষ্ণমোহনা কম্যুনিষ্টতি প্রজাগী থবক তৌবা পার্টি নত্তে, ইরাবতী কম্যুনিষ্টনি, অপুনবা দল অসিদা য়াওবা য়ারোই অমিনি। তৌফিক তারতা কংগ্রেসনা নপুং ওইবা রাজনীতি পার্টি ওইরগদবনি অসিগুম্বা দল অমদা ইরাবত য়াওবা ,য়ারোই হায়বসিনা মিটিং কন্দক তৌরিবা কাংবুগী অকনবা য়াতাংনি। কম্যুনিষ্ট য়াবা মী-ওই, প্রজা মণ্ডল, কৃষক সভা অমদি নিখিল মণিপুর মহাসভাগী মীওই অমত্তা য়া তাংবা য়ারোই হায়বসিনা সভাপতিগী রুলিংনি। প্রজা মণ্ডল, কৃষক সভা অমসুং মহাসভাগী মীহুৎ মিটিংচুগী সভাপতিনা থনগদবনি, দল অমা মপানা থনবা য়ারোই অমিনি। মসিদা ভথেয়বম ইবোতোম্বীনা অকনবা প্রতিবাদ তৌমবগী য়া কোঙদোক্লবা পার্দিসন নিরকপদা লাইশ্রম কক্লাইনা সপোর্ট তৌ-রকখি। কংগ্রেস কম্যুনিষ্টকী য়া পুশিল্লকপা, মদুনা খেন্নবা

খোকহনবসি মণিপুর মীয়ামগী শ্বার্থ নত্তে হায়বসি কাংবু অসিগী মতনি। ইরাবতপু মেম্বর খনবা য়াবা য়াদবদা ভোট লৌনসি হায়দুনা লাউনরকখি। মসিদা ইরাবতপু য়াবা মীওই মথৈ খুৎ থাঙ্গৎলু হায়না খোইমচাশা সভাপতিগী তরকতগী লাউরকখি। অশিন অরাং তৌরিবা মীওই তরামুক নত্তনা লোইনা খুৎ থাজংলে। মতাং অসিদা কৃষ্ণমুহোম্মা কমুনিষ্ট ইরাবত য়াওবা শুকয়া য়ারোই হায়না কম্মা কোঙদোরকপদা বোকুললা কমুনিষ্টকী বা পুশিল্লকপা চুমদে হায়না কম্মা য়েংখি। অরোইবদা লাইশ্রম জুগেশ্বরনা ইরা-বতনা কমুনিষ্ট য়াওরোই হায়রবদি য়াওবা য়াগনি হায়না মত পীরম্মী। মাগী সংস্থায়া মীহুৎ ওইনা খনজবা য়াদবা, প্রজা সঙ্ঘগী মীহুৎ ওইনা খনবস্থ য়াদবা, মহাসভাগী মীহুৎ ওইনা খনজবস্থ য়াদবা, কৃষক সভাগী মীহুৎ ওইনা খনজবস্থ য়াদবা, তিল্লিবা মীয়ামগী ভোটনা য়ায়বস্থ কমুনিষ্টকী বা পুশিনক্কুনা ওইবা য়া-মবসি শিল্লিবা কাংবুনা মণিপুর মীয়ামগী অধিকার মাঙহনবনি হায়না বোকুললা কম্মা চার্জ তৌখি। মতাংসিদা ইরাবতনা সভাপতিদগী য়াথং নিয়গা বা ঙাংবা হোৎলকপদা খোইমচানা মরক থৎতুনা ইরাবতনা বা ঙাংনবগী মতম পীদ্রে। বা ঙাংবগী মতম পীদ্রবা শুপনমগী ওইবা মিটিং অসিদা য়াওবা হোনদে হায়না ইরাবত মপান থোকখি। প্রজা সঙ্ঘগী অধিকার মাঙহনবা, মীয়ামগী বা লৌদ্রবা, নিয়ম চৎত্রবা, প্রজা সঙ্ঘগী প্রেসিদেন্টপু মিটিংদা কৌরগা বা ঙাংবা য়াহন্দবা, মহাসভাগী অমদি কৃষক সভাগীস্থ প্রেসিদেন্ট ওইরিবা মীওইবু অধিকার পীদ্রবা মিটিংসিদা

য়াওবা চুমপ্রে হায়না বোকুলনা অকনবা প্রতিবাদ তৌরকপদা কচ্চাড়, ইবোতোম্বী, খগেন্দ্রনা সপোর্ট তৌশিল্লকুনা হোলদগী লোইনা মপান থোকখি। কৃষক সভাগী সেক্রেটরী ইবোমচা কবিরাজনা মরাল লৈজদবা সভাগী কর্ম্মী খুবলবু মরমচাবা খঙদবা থরা বংলুবন্দমক ইকাইবা পীরনা হোলদগী তাম্বোকখিবা অসি মণিপুরগী লৌমী পুন্নমকী মায়থীবনি, মরম অদুনা অখিকার লৈত্রবা মিটিং অসিদা য়াওবা চুমপ্রে হায়দা লমখিংলগা কৃষক সভাগী কর্ম্মি পুন্নমকম্ম মপান থোকপ্রে। মিটিং হোলদা শুপ্নগী মীওই ১২ মমক লৈরোবে। মখোয়শিংদি :— শ্রীকৃষ্ণমুহোন, প্রিয়গোপাল সনা, ডাক্তর লৈরেন, যুগেশ্বর, ভুবনসনা, বিজমনি শর্ম্মা, খোইমচাবচিংবনি। মখোয় অসিনা অশিন-অয়াং তৌরিবা মীওই থরগা পুনশিন্নগা শোক ১৯৪৬ কী অক্টোবর তাং ৪ গী এরিয়ান মিটিং অসিদা মণিপুরগী অপুনবা রাজনীতি দল অমা শেমখি। মমিংনা মণিপুর কংগ্রেস পার্টিনি। ভুবন সনানা অধ্যক্ষবা প্রেসিদেন্টখি।

চোং-ডমগী অপুনবা ফ্রন্ট

মণিপুর কংগ্রেস শেমখিরৈগী মতাঙদা ইরাবতনা লুচিংবা প্রজা শঙ্ঘ অসিতনা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রাজনীতি দল ওইনা থবক তৌরম্মনি। অদুবু হৌজিক্কি কংগ্রেসকা প্রজা সঙ্ঘগা অনি অসি থিলায়রক্রিবা পার্টি অনি ওইরে। ইরাবতনা মাগী চোং-তম পুনশনবনি হায়বা রাজনীতিগী থিরেপ অদুগী মথাদা চোং-তম পুন্নবগী মোয়ুন্নন অমা পুরক্কবা হোংলখি। মরমঅদুনা শোক

১৯৪৭ কী নভেম্বর তাং ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী সুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা এম, ডি ইউ হোলদা মণিপুরগী চৌং অমসুং তমগী দল ৯ গী অপুনবা মিটিং অমা প্রজা সভানা কৌদুনা তৌই। মিষ্টর এম, কে, শিমরে তাংখুলোংগী চেয়ারমেন্না সভাপতি ওইবিরি ইরাবতনা মণিপুর প্রজাগী পুন'তায়ৌন শীন সাগনগী দাবী অমসুং চৌং তমগী ওইবা দাবী কয়া পুন্না চঙমিন্নবা অমসুং মণিপুরগী মাঙদা লাকপর খুদোংথিবদগী কন্নবা চৌং তম পুম্নগী ইয়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেম্নগী দ'বী পুখৎখি। কৃষক সভাগী সেক্রেটরী ওক্রম ইবোমচা প্রজা সভাগী লুচিংবা কঙ্গাই, কুকী নেসনেল এসেমব্লীগী সভাপতি মিষ্টর লুমে অমদি সিমরেনা বা তাংখি। সভানা পুং ৩ চুপ্পা খন্নরবা মচুংদা মথাগী রিজোল্যুসনশিং অসি লেপ্পখি।

(১) ঙসিগী মনিপুরগী চৌংগী লৈরিবা দল পুম্নমকী অমসুং তমগী লৈরিবা দল অয়াবগী প্রতিনিধিগী সভানা দল পুম্নমক্না তারিবা প্রজাগী অমত্তা ওইনা মায়বা প্রোগ্রাম তামবদা মপাঙ্গল কন্নবা চৌং-তম অসিদা লৈরিবা দল পুম্নমকী অপুনবা ফ্রণ্ট অমা শেম্বা অমসুং ফ্রণ্ট অসি শেম্বদা মনিপুরগী দল পুম্নমক কৌনবা সংগঠন কমিতি (ওর্গেনাইজিং কমিতি) অমা শেম্লে। মথাদা ইরিবা দল খুদিংগী প্রতিনিধিশু কমিতিগী মেম্বর ওইনা থম্লে।

১। মিষ্টর এম, কে ,শিমরে— তাংখুলোং
২। „ লুমে— কুকি নেসনেল এসেম্বলী
৩। „ কথংগাই— কবুই এসোসিয়েসন

৪। ভুর—খুমমা ইয়ুনিরম
৫। মিস্তুর দেনা—মিতো ইয়ুনির
৬। শ্রীযুক্ত ইবোমচা—মনিপুর কৃষক সভা
৭। এম ইবুঙোহল—নোংপোক অপুনবা মরুপ
৮। ইরাবত—মনিপুর প্রজা সঙ্ঘ
৯। মিস্তুর সুলৈ মিয়া—মাংগ্রিপোক
১০। শ্রীযুক্ত লমকেন—মৈতৈ মরুপ।

ইরাবতপু কমিটিগী চেয়ারমেন, শিমরেবু সেক্রেটরী থাপলে।

(১) ভারতকী কোহিমাগী রাকম অসিগী মরমদা নাগা নেসনেল কাউন্সিলগী মেটাশিংগা উরমনা লৈপাকী শান্তি মরমদা যা ভাংননবা শ্রীযুক্ত ইরাবত সিংহ অমসুং লুনেনা মপানা চৎকে হায়রবসি ভসিগী সভাশিনা য়াম্না ফবনি হায়না য়ারে।

য়ারেপশিংসি পাংথোক্লবা চৌংগী লুচিংবশিং উমরুই অমসুং মায়ম্ভ পাকবি। অশুম্বা চৌংতম পুম্নবগী অন্দোলন চঙশিনবসি মনিপুরদা ইরাবতনা অহানবনি।

মাণপুরদা অনৌবা শাসনগী শক্তম

ভারত শিনবা থুংনা নিংতম্বগী অন্দোলন কনশিন্নকপনা মরম ওইদুনা বৃটিশনা ভারত থাদোক্লুবা চৎপ্রগা ভারতকী শাসন কংগ্রেসনা লৌহোবা ভারক্লি লোয়ননা মনিপুরদসু মচুগী মনি ভারকপদগী সাশন পায়রবতবু পাম্বা কাংবু থরনা কংগ্রেস শাসৎপা হোৱরকবি। প্রজা মীরাম্বা ভাম্বকপা পূর্ণদায়ীত্বশীল সাশন মনিপুরদা লিংবা য়ারভবা মতম ওইরকপনা মরম ওইদুনা

মনিপুরগী দরবারগী প্রেসিদেন্ট বৃটিশকী এজেন্ট মিস্তর পিয়ারসন্না মনিপুরগী কন্সটিটুাসন অমা শেম্বা থৌরাং তৌরকখি। মদুগী-দমক কন্সটিটুাসন মেকিং বোদি অমা শেমখি। ইরাবত অমসুং মনিপুর প্রজামেল পাবদি হেন্না শক্তি লৈবা পার্লিয়ামেন্টরী কন্সটিটুাসন অমা মনিপুরদা লৈবনি। মদুগী ওয় তৈনবদা পিয়ারসন্না চঙশিন্নকখি। মদিগী কন্সটিটুাসন অসি অদুকী মতিক দিমোক্রেটিক ওইদে। মনিপুরদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক এম, এল, এ অমা খনবদা ভোট পিবা য়াহন্দে। শেল পায়বা মহাজন, লৌয়াম পায়বা, চুকান্দার, লাইরিক লৈবা মীওইতমক ভোট পীবা য়াহল্লি। চুকান্দার ওইত্রবদি ভোট লেপ্পা য়াদে। অমুক খন্নবা এম, এল, এ ৫৩ না মনিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ওইগনি। মেম্বর ৫৩ অসিনা চিফ মিনিস্তর খনবা ঙমদে। চিফ মিনিস্তরদি মিখলদা কারকপা এম, এল, এ শিংনা ওইবসু য়াদে। মহারাজনা নোমিনেট তৌদুনা হাপকদবনি। কেবিনেট মিনিস্তরশিংনা তারকপা য়াবেপ মহারাজনা সাই তৌদবা ঙমই। অসিগুম্বা মথলগী দিমোক্রেসী অসি য়াদবদগী ইরাবত অমসুং মাগী পার্টি প্রজা সঙ্ঘ অমসুং কৃষক সভানা কন্সটিটুাসন মেকিং বোদি অসিদা বোইকোৎ তৌরনা য়াওদে। অদুবু মহা-রাজনা লিংখৎপদা তায়রিবা মনিপুর কংগ্রেশকা তান্নরগা শেমখি। মসিদা মনিপুর সোস্যিয়েলিষ্ট পার্টিসু সপোর্ট তৌখি। এসেম্বলী অসি চহি ৩ গী টার্মনি। মসি ৬ লৈবা কাউন্সিল অফ মিনিষ্টর অমা লৈ। চিফ মিনিষ্টরনা প্রেসিডেন্টনি। কাউন্সিল অফ

মিনিস্ত্রগী ষ্টেট শাসনগী দায়িত্ব পুম্নমক মহারাজদা লৈগনি। মহারাজগী সিভিল লিষ্টতা লৈরিবা এপ্রোপ্রিয়েসন একাউণ্টতা এসেম্বলীনা হেংদুবা য়াদে। অদৈ অতোপ্পদি বিল ওইনা পুথোক্কনা থম্বা য়াগনি। এসেম্বলীনা পাস তৌবা বীল অমা মহারাজনা য়ারগা আইন ওইনা চংবা য়াগনি। য়াদবসু ওয়ই।

এসেম্বলী এলেকসন্দা ইরাবত

মণিপুর কন্সটিটুসন এক্ট ১৯৪৭ অসিগী মথাদা সোক ১৯৪৮ দা মণিপুর এসেম্বলী ইলেকসন তৌখি। ইলেকসন অসিদা মণিপুর কৃষক সভাগী কেন্দিদেট ১৩ খাগৎপদা মত্তা কাখি। সিদোলদি য়ুম ফেকপনি। কৃষক সভাগী মত্তা অঙ্গদি—

১। ইরাবত — উংলো কেন্দ্র
২। জুধেশ্বর বোকুল — পাজে কেন্দ্র
৩। অয়েকপম অঙাংহল — নম্বোল কেন্দ্র
৪। মাইস্নাম মধুমঙোল — পুংদোংবম কেন্দ্র
৫। থোকচোম শাসো — ককচিং কেন্দ্র।

দল দলগী ওইবা ফিরোল্পু :—

১।	মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেশ —	১৪
২।	মনিপুর কৃষক সভা —	৫
৩।	সোসিয়েলিষ্ট পার্টি —	৩
৪।	হিল এরিয়াদগী —	১৮
৫।	ইন্দিপেন্দেণ্ট (প্রজা শান্তি) —	১২
৬।	নোমিনেসন —	১
	অপুনবা	৫৩

মাম্না থুনা এম, এল, এ, অমা লিকেক্ট তৌদুনা কংগ্রেশ য়াওখি। অদুবু কংগ্রেশনা সরকার শেম্বদি ঙমখিদ্রে। প্রজা শান্তিনা লুচিংবা কোয়েলিসন সরকার অমা শেমখি। মদুদা কৃষক সভা য়াওদুনা বোকুলনা ডিপুটি স্পিকর ওইখি। সরকার পাংবা কংহৌরবদগী মণিপুর কংগ্রেশনা মশানা শেমজবা কনস্টিট্যুসন অদুগী মায়োক্তা এসেম্বলী উথাইনবা হোৎনরক্লে। এসেম্বলী উথাইরগা মণিপুর অসি ভারতা তিনশিন্নবা অন্দোলন কয়া চঙশিল্লকখি। এপ্রিল তাং ২৯ দা গান্ধী মৈদান্দা তৌবা কংগ্রেশ সেসন্দা মণিপুরগী কংগ্রেশনা ইকোং কোংনা মণিপুর অসি ভারতা তিনশিন্নবা রাবেপ লৌখি। মর্জ্জ তৌবা মহারাজনা য়াদে. লোয়ননা ইরাবত অমসুং মাগী দলনা কংগ্রেশকী পোলিসিগী মায়োক্তা য়েৎচরবদ্ধ উপাই লৈলিদে। প্রজা শান্তি সরকার উথাইদুনা খোক ১৯৪৯ মী অক্টোবর ১৫ দা মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা কৌরগা দলিল্লা মমচুনা সহি তৌহনখি।

ক্রিয়ানগী হাথোক

কনষ্টিট্যুসন অসি থুগাইরগা গোভর্ণমেণ্ট ওক ইন্দিয়াগী পোলিসিনা সরদার পেটেলনা ভারতকী নোংপোক চিদাইদা পুর্ব্বনচল প্রদেশ অমা শেম্নবা বাকম অদু য়াম্না কনশিল্লকখি। ১৯৪৮ ইং আগষ্ট তাং ১২ গী লুংথিল পুং মরিমথাই তাবদা মপান কাংলৈ-মুংদা তোম্পোক কংগ্রেশনা শীন্দুনা পুর্ব্বনচল প্রদেশ শেম্নবা মিটিং অমা তৌই। ভারত কংগ্রেশকী ৱার্কিং কমিটি মেম্বর, বেঙ্গলগী

চীফ মিনিষ্টর ওইরবা ডাক্তর প্রফুলোচন্দ্র ঘোষপু থওইনা কৌথোক্লুনা রা চাওহল্লি। পূর্ব্বনচল অসিদা য়াওগদবা লমশিংদি মণিপুর, কছার, লুশাই পহাড় অমসুং ত্রিপুরানি। তাং ৮ দা কথা ভারত কংগ্রেশকী ৱার্কিং কমিটিনম্ব রাবেপ তাশিল্লকখি। অদুবু মণিপুরগী তোমাল কংগ্রেশনদি রাবেপসি য়ানিংদে। মসিদগী কলহৌবা ওমবা ইরাবত অমসুং মাগী পার্টিনা প্রজা মীয়াম থোম-জুনা অকনবা অন্দোলন চঙশিনখি। মসিদা সরকারনা ইরাবত অমসুং কৃষক সভানা সভাযাত্রা অমদি পব্লিক মিটিং তৌবা থিংলকখি।

মতম অসিবাইদা শেহদা চাইবিবা কংগ্রেশ অনি থোক্লা কায়নরকখি। শক্তি মুমবদগীনি। তোম্পোক কংগ্রেশ, তোমাল কংগ্রেশ হায়না থঙনৈ। অদুগা কংগ্রেশকী কর্ম্মিশিংনা গান্ধী টুপী উপ্লুনা ফিরান পুদুনা মীগী উৎসব মেলা, লুহোংবা, ধর্ম্মগী থৌদোক অমদি শ্রাদ্ধ-কর্ম্মনচিংবদা চৎলক্লে। ১৯৪৭ আগষ্ট তাং ১৫ দা গুরুকুল স্কুলগী ওজা অমসুং ছাত্রশিংনা টুপী অমসুং ফিরানগা লোয়ননা শ্রীগোবিন্দজীউগী মন্দির চঙপে তৌবদা হুন্ত্রীনা চঙহন্দে হায়বগী মরিদা অচৌবা বাথোক ওইনখি। তাং ২৪ দা তোম্পোক্লা সভাপতি ওইদুনা মহারাজগী মায়োক্তা প্রতিবাদ সভা অমা কমখি। অথিংবা পুমনক থাঙগনি হায়না রাবেপ তাখি। ফিরানগী সত্যাগ্রহ অচৌবা থৌদোক ওইখি।

মণিপুরদা কমুনিষ্ট পার্টি

ইরাবত শিলেট জেলদগী কমুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর ওইরম্লখিবনি। শোক ১৮৪৮ দা মাবু সরকারনা মাঙহন্নবা, হোৎলৈ। মণিপুরগী রাজনীতিদা ফিবম লুরবা তানজা অসিদা মণিপুরদা কমুনিষ্ট পার্টি লিংখৎখি। শোক অসিনক্তদা হোঙায়দা ইরাবতনা বোকুলগা লোয়ননা কিসান কনফরেন্স অমা য়াওব চৎলি। চহিসিমক্তদা অসাম প্রাদেশকী কমুনিষ্ট পার্টিগী ২শুবা কনফরেন্স য়াওখি।

শোক ১৯৪৮ দা কলকটাদা ফমখিবা ভারত কমুনিষ্ট পার্টিগী অনিশুবা কংগ্রেসতা অসামগী ডেলিগেৎ অমা ওইনা য়াওখি অমসুং সেন্ট পোলস কলেজদা তম্রিবা থোকচোম বীর ওবজার্ভর ওইনা য়াওখি। শোক ১৯৪৮ দা কোনাম লৈয়ক তখেল্লম্বম ইবোতোম্বীগী য়ুমদা জেনেরেল বোর্দ মিটিং অমা কয়গা মিহ্রিক ওগেনাইজিং কমিতিগী থাক্তা মনিপুর কমুনিষ্ট পার্টি লিখৎখি। তখেল্লম্বম বোকুলবু সেক্রেটরী খনখি। মহাক মনিপুর কমুনিষ্ট পার্টিগী অহানবা সেক্রেটরীনি। মেম্বর ৮ না মনিপুর কমুনিষ্ট পার্টি লিংবা কৌখি। মখোয়শিংদি :— (১) হিজম ইরাবত (২) তখেল্লম্বম বোকুল (৩) তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী (৪) লোংজম বীজয় (৫) লাইশ্রম কহ্নাই (৬) তখেল অমু-শেরুং (৭) তখেল্লম্বম ওংবী জুবতী দেবী (৮) থোকচোম [illegible]

হেক লিংখৎপগা চতি অশিমকপা কম্যুনিষ্ট পার্টি মণাক্তা কনখৎলকখি। প্রজা সংঘকী লীডর অমা ওইরম্বা ইরাবতনা হেক্তক্তে, থম্মা অমনা কম্যুনিষ্ট ওইবা লৈরোইদে. লোয়নবা মখা লৈখিদ্রে। মণিপুর কৃষক সভাগী কথি অয়াম্বদি পুম্নমক কম্যুনিষ্ট ওইরকখি; মসিং চঙবশিংসু মিপোলবাইবদা ওইনা অহুনক কথি। সভা অসিগী মহুৎপা থৌদনা থবক অহুনক লৈ মখাদৈদা কুপী সাংস্কৃতিকী জেনেরেল সেক্রেটরী ওইবা মতুংদা কৃষক সভা গী সেক্রেটরী ওইখি। মাগী মচুং ওইনা ইবোমচা অহিরাঙনা জেনেরেল সেক্রেটরী ওইরোই।

চতি কাম্ফৈবগী মতুংদা কম্যুনিষ্ট কথি মমীং লাংখৎলক-লবগী মতুংদা লকাবদা লোকনিয়াব কয়া ইরাবতনা ফংখি। মখোইচুদি:— লোংজাইথেম মুক্তান, লম্বাবম ইবোহাঙ্ঘী, মোইরাংথেম মেঘচন্দ্র, কিশম্বোঙম বীরন, লোইতাংথেম ইবোহল, চাংজাম মহেন্দ্র, খোকচোম বীরচিংখনি।

ইরাবত অন্দরগ্রাউণ্ড চঙবা

ইরাবতনা মণিপুরবু ভারতদা হিনশিনবগী মায়োক্তা অয়ুদ্ধ পূর্বাঞ্চল প্রদেশ লেপ্পী মায়োক্তা মণিপুর বরংগী মীয়াম লমজিং-চুনা আন্দোলন হৌরকপসিদা সরকারনা মাবু মরান শিরম্ব লাংশিল্লকখি। চৌংগী ইরাং অমদি মণিপুরগী রাজনীতিগী মেন জানবা লাকৎপিখিদগী মরান পুম্নমক ইরাবতা পীবা হৌরক্নে। লোক

১৯৪৮ গী সেপ্তেম্বর ২১ দা পুংনচল শেম্বগী মাথোক্তা প্রতিবাদ সভা অমা মাঙ্গ চাউদ্রা এম, ডি, ইউ, হোলদা প্রজা সঙ্ঘ অমদি কৃষক সভানা [illegible] [illegible] অদুগী মিটিং মাওবা মণিপুরগী মাইকৈ খুনিংঙ্কগী [illegible] অমাং-তাংপোক পুংলাংবন মাইকৈদগী [illegible] [illegible] পুংনচল শেম্বগী মাথোক্তা লোগান হাবী অমা [illegible] [illegible] [illegible] লাকখি।

খুদক্তৈ [illegible] [illegible] লোয়নবা পুলিস ফোর্স অমনা থিংলগী। [illegible] [illegible] [illegible] মাথোক্তা। পুলিসনা সভা [illegible] লমজিংবা [illegible] হৌরই [illegible] কুপা [illegible] কখি। প্রজা মীয়াম্না খুদক্তা পাইরবা [illegible], লাললোইবা [illegible] প্রজাদু কবিগী [illegible] থাদোকই কাবা [illegible] [illegible] [illegible] কখি। মীয়ামগা পুলিসক [illegible], [illegible] অমা থোকখি। মতম অদুদা পুলিস ফোর্সকী কমান্দরনা মীয়ামদা মখক্তা কাইয়াদ্রীং হুকুম তৌখি। কাপ্পিনদ্রিবা লোৎনা মকুবা লোয়ন্থিজ্রবা [illegible] [illegible] মরাম ববুগী মপাদা পান্দুনা কুরখী।

মতমদু ইরাবত [illegible] এম, ডি, ও, [illegible] মিটিং তৌগদবগী থৌরাং তৌদনা লৈরম্মী। কপ্পিখিংনা পাউ অদু জগবদগী খুদিংমুগী মিটিং হংথোক্ত কাম্বদনা মতৈ মতৈ লম্লে। কপ্পিখিংবু চেকখিনবা হায়বদা [illegible] লৈবা [illegible] [illegible] সাইকল তোংদুনা নম্বোলদা চংখি। মিটিংগী খুচংলবা কঞ্জাই, থোকচম, ইবোতোম্বী, বোরোনচিংবম মপা চেকাখম্বা কৃষক সভাগী জেনেরেল সেক্রেটরী ইবোমচা কবিরাজনচিংবা মখোল লোমবগী লাকপা কপ্পি পুংনচল ইরাবতকা লোয়নবা লোৎলে।

থৌদক্তা প্রিয়ব্রতনা পণ্টেৰীম সরকারনা ইরাবতপু কানবা হায়রক ইবুঙো লৈরকুনা ইরাবতকী মমদা থুংলাই পাংবা লিকাইগা লোয়ননা পা প ফোর্সনা কোয়শিনখি। প্রজা মশং অমস্তং কুমক মহাগী কাংশিং কানবা হায়রগী ইবুঙো কাবে পুলিসকী অকনবা ফিরাকন কৌরে কুম্ফি চাম চানবা। পুম্ফিং ওইদুনা ফাগদরে মহাগী ফেলেন্দ্রে সেক্রেটরী কবিরাজ ইবোমচা নুং লিক্ষম লিক ইনা কোইদে মতাকী রেকোর্ড কোয়খিবা ইবোমচা অমসুং ইরাবত পুলিসনা কাবা ঙমখি দ। সরকারনা ইরাবতপু কাবা ঙম্বা মীনি হায়না লিশিং তরা শগনি কাউটেরে পুরস্কার লেপ্লা পাম্বা, মনিপুরগী তাইবংতা ফিরনশিন্দুনা মনিপুরগী এলাকাগী মুন্সুরকা পাম্বা লেপা পাম্বা মীওইশী রেকর্বশিং থরনা ইরাবতপু থির অমসুং মীয়াম কাবদা মতেং পাংখি; মতাংগী কম্ফি খানবা লৌমীগী খুরুংশিংবা চৎদুনা পুলিসনা মীয়াম ওৎপা তৌরগে কানগলকপা মপা মচা শন হাইন-হনব মাত্রগা মুনশম, ইফম্দা পৌ থারগা নাক ঙেৎ তোংদুনা লেৎপা, থবাক্তা থোংউপ বুটনা কাওবা, নোংমৈ শেন্দানা শুবা, মথং মথং খুমংবা চৎদুনা ওৎ-নৈবা তৌরকখি। করি অমুক লায়গনি অদিং মুংখিদ থায়বনা লুপী অঙাংশিংবু চিংথোক্লুনা ওৎ-নৈবা তৌরকখি। থাঙমজ্রবা ভোপ মাইগেগী লুপী মীয়ম্বা তৌদুনা মথক্তা ভেম পাক্লুনা লিকাই অমসুং কত্তবা মীওই কয়াগা মায়োক্নখিবা মনিপুরগী লুপীশিংগী থৌনা থাগৎপা ওইরে। অমা: ফিবিদা লুপীশিংবা থেংনখিবা লিংজেল মুৎপা হায়রোই।

চৈরক অসিদা ইরাবত পোৎশাবা মতে অন্দরগ্রাউন্দা লৈনা লৈনা মনিপুরগী পোলিটিকেল পুম্নমক থুগাইনবগী চংদুনা কথক সভা শাগৎলি। অদুক মাগী থো চৎলি কম্যুনিষ্ট পার্টি শাগৎপনা মপুং ওইবা থবক তৌরে। খুদং অমদা কম্যুনিষ্ট মেম্বর অহুম লৈরবদি কম্যুনিষ্ট সেল অমা শারে। অন্দরগ্রাউন্দা লৈনা লৈনা "মাগী চয়োলগী চেকোড 'অমোন দুপ' অদুমক থোকই 'লক-লেট কয়া, পমফ্লেট কয়া পোলিটিকেল স্টেটমেন্ট কয়া চাইথোকই।

অসুমা অন্দরগ্রাউন্দ তাংবৈ মখমসিদা ভারত কম্যুনিষ্ট পার্টিনা খুৎলাই পায়বা কুবী বীপ্লব অমা তৌবগী রাবেপ পৌরকুনা তেলঙ্গনা, অন্ধ্র, বেঙ্গল অসামনচিংবদা গুথী বীপ্লব অমা বন্দীভেগী লমজিং মথাদা তৌরকখি। অসিগুম্বা খুৎলাই পায়বা রিভোল্যুসন অসি মতমদুদা অনগ্রি হায়না মত কোংদোক-লবত্ত মণিপুরগী মহারোম কম্যুনিষ্টশিংনা রাবেপ অসি পৌরকুনা ইরাবতসু রাবেপ পাংথোকপা তাখি। মরমদুনা মাগী অন্দর-গ্রাউন্দগী পুন্সি থেংবাং অমগা হাপচিনকুনা মথা শাংথরে। লোয়ননা তোপ-তোপ্পা য়োল অমা পৌনা অন্দোলন চংশিনবা হৌখি। মতম অসি বীনয়না সেক্রেটরী ওইবা মতমনি। মানা গুপ্তবা সেক্রেটরীনি। থোবচোম খোয়োনা য়েন পাডকী চিক কয়ান্দরনি।

অয়াং জিরিদা নয়কায়গী কেম্প লৈ। কাংমোং মনিংদা লেম গার্ডকী কেম্প লৈ। অরাথব মেরা, কাংমোং, মৈরব চিংখব অয়াং জিরি, লাইরব হাইনৌ, লাইশংবম মাংগোল অমসুং

বাবুধন, মুকুন্দ থানিল অমসুং জিত্রী, লাইশংবম তোম্বা ময়দিয়ার খুমল্লেম বীর অমসুং জিত্রী মখোয় অসি রেদ গার্ড তোঙ্গুক্তিয়ারমি। উপুমপোক কুলচন্দ্রনা কমান্দরনি। মুমিদা-দা কাংলোংদা মিচিং তৌদুনা ড'রে। মোং ডাল্লগা অয়ুক্তা সরকারগী সিকাই ৫০০ কাংমোং খুনয়াই কাওদুনা লাকই। লোইমিংদা মুমিৎ চুম্না কাপ্পে। মরৈমথংদা রেডক্রী থুংলাই য়াংলক্তুনা হন্দোকপা ভাবি। অসোক অপন য়াওদনা নৈমরাব মনিংদা লোৎখি। কমবেদ চিংথম কাহৌই।

লোংয়াইমিং চৌংগী অমোক হাওদা রেদ পার্টিনা ডাক্তুনা কমুনিষ্টকী; কমরেদ লৌকমাবম অমুবা অমসুং কমরেদ থবিদা শিরু-শিরদা লভাপতি ওইদুনা মিটিং তৌই। অতোম লমাই অমসুং তুমুমোংদা সরকারগী কেম্প অমি লৈ। মুমিং-দাংবাইরমদা চৌংখাগী লমীদা অতোম লমাই কেম্পাবগী চুমখোং কেম্পতা সিকাই ১গা ডাক্তুনা লাকখি। তিবসিদ চৌংখোংদা রেদ পার্ড কোংচৌকম অচৌ ইরিল মপাম, খুরাকপম বীরচন্দ্র মমাং শংলেনবম, কোম্বুম তোপ ইরিল মপানদা পোখি-লম লৌতনা কায়দা সিকাই অমখি থুরক্তা শিংবে। অমখি চৌংখাদা অরক্লে। খুংলাই লৌমদা চংশিল্লুবদা ওইখিবা সিকাইদুনা লোংঠেং কায়কপদা রেদ গার্ড অমি অমা থুরক্তা শিরে। অতৌখি ডাক্তবা শিং। অমোক চাওবা তৌখিবা মিটিং অসি থুরক্তা লোইখিরে। লৌকোক অমি লমাবক ইমোংতোংবীদা রেক্রেটারী ওইদুনা কমাননি।

বিশেষণপুরগী কেম্পতদি থোইথোকপা থুদোংথীবা মাওথিদে। মৈত্রম পাম্বু, লৌশখম মাইমা মকম অহুমগী যেক পাওদি। থোইদাং-পোক কাচিথুল মনিংগী কেম্পতা যেক পার্ডশিংসি মদু:—মায়ংসিং কাংযোং, কন্হাই মমদিয়াম্র, খোমৈ হৈক্রুজম, অমু, থর্ম, থবল্লি লোইমা থোইদাংপোক, নোদিয়া অমম্ভং ইবোহল চওাংবৈগ। সরকারগী সিকাইগা কাম্রবদা ইবোহল থুমাদা পাম্লি, কন্হাই, খোমৈ, থর্ম্ম, নোদিয়া কাহোই। অতৈদি কাখিদে।

ময়াংইম্ফাল কেম্প থুমাহনবা হোৎনখিবা যেক পার্তশিংদি—থুমায গোকুলসিং অমাং-জিরী, কুবের অমম্ভং মাপম ইবোহল চওাংবৈগ, নৈতাম্বেম অচৌ অমম্ভং লাইশ্রম যাইমা অমাং-জিরী। মৈবোকচৌংবা লোং ওাম্লি। গোকুলশিংগা ইবোহলগা পোক্তিসন লৌহুনা মৈরপা অতৈমা চেলহনখি। কাম্রখিদে। মখোয় অনিদি কাখি।

প্রজা মহক্তা সরকারগ সি, আই, ডি ওইবা মীওইশিং অয়োন অথুপ [illegible] [illegible] থোকই। মতুংদা সি, আই, ডিশিং অহুম নমনশিংব. [illegible] [illegible] হৌ কপায অহিংবা কৌথোক্লা অবোংবাওদা মুং [illegible]-হুনা তুংলম্না খাদহুনা হাৎখি। কাংযোংগী খাইনাম নিপামচা সিংহ [illegible] ংবা লকচাং (জিজ) ককথৎহুনা হাৎখি। [illegible] [illegible] অচৌবা ইরাকথুনবনি। পুলিসকা লোয়নমু [illegible] [illegible] থোংচাবদি লৌহুনা মুদ মুমদা চঙ্ক। মুপি অও [illegible] মওংদা ওৎপা হৌরকখি। থোংমগী অহিংবা পুলিসকী কিযোল শেংপা কাংলুপ

অমা লাক্লিপা তে'ংবু কৌখোক্লুনা মাঙোল ঊখোকতেলা পুন্নুনা থংগা হিংবা মকু খোকখি। হিংনা মরৈ ককথৎখি। ইমুংগী মুপীশিংনা ওৎপা তৌবে মখুং তৌদনবা খাদিং পীরম্লগা পুলিস চৎখ্রে। তোমা পুনক্তা শিখি।

ইরাবত ব্রহ্মাদা

ইরাবতনা মাগী অন্দরগ্রাউন্দা মিটিং কয়া তৌদুনা তেং-লুক্তিরাবগী ট্রেনিং পিদুনা বিভোলুসনগী লাম্লোং কয়া শীন্নি। লৈরিবা রেদ গার্ড অমদি খুৎলাইগী শক্তি আসনা আন্দোলন মায় পাকপা ওয়্যোই হায়বসি মাংলা থনখি। মরম অদুনা ব্রহ্মাদা চৎতুনা রেদ গার্ড শাগৎলুনবা লোয়ননা মতিকচাবা খুৎলাই কয়া ক'নবা থৌরাং লৌশিংখি। কম্যুনিষ্ট ডি. ও, সি, মথং মথং কয়কপগী মপুংদা অরাং জিরৌদা কয়া মিটিং অসিনা ইরাবতকী অরোইবা মিটিংনি। জিরৌগী মিটিংসি হেক লোইরগা খিন্নবা মাপম ইবোহলগা লোয়ননা থাবী বমদিয়ার শমদুনা চঙোংগৈদা অহিং লেপ্লগা পোরোমপাৎ তোপ য়োথি। মতুংগীদি তোপকী কমদেব য়েত গার্ডশিংনা থৌবাল, খোমজোম পলেল মথং মথং য়োথিদুনা ব্রহ্মা শানশিনখি। খোংচৎ অসিদা ইরাবতনা অজো চৌংদা কাখৎলগা মমা লৈবাক মণিপুরদা মমিতগী মশি তাবা য়েংজববা থক্লোই শোক্লিংলাইনি। মণিপুরগী নিংতম্বা লোমিত্রেশিক্ট মীয়ম অদগীদমক ব্রহ্মা কম্যুনিষ্টকী মতেং লৌনবা চৎখিবনি।

মতম্তুদা লুপ্পা কম্যুনিষ্ট পার্টি সরকারগী য়াথোক্পা হুৎন্নাই পাইরম্বা মীওয়া ওইরম্মী। অদুবু পাইরকপীবদি অম্বাগী পার্টি অমত্তা তোঙানবা তোঙানবা সরকারগী য়াথোক্পা নত্রাই ওইরি। মথোং মথেংদসু উন্নবা কাইরে।

ইরাবতনা পার্টি অহৌ অদু তোঙান তোঙানবা উপদুনা পুনশিনবা হোৎনখি অমসুং য়াম্না পাকখি। পার্টি অহৌগী অপুনবা কন্ফরেন্স অমা তৌরগা ইউনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমদুনা সরকারগা লেংনখি। অদুগা অদা নীংথৌরকী লম্বিং কনবা পীখি। ইউনাইটেদ ফ্রন্ট সিলরেলন গভর্ণমেন্ট ওক্ত অদা লাইবা অমারী নত্তবা শাসন তৌরম্মী। অদিগুম্বা শিলরেলন গভর্ণমেন্ট অদিগা ইরাবতকা মরিক লৈনা ইরবদ্দী মখুদি :- শিলরেলন অর্থ্রিনা পৌশিনবা লমশিংদুগী মচুংবা কবো ভেলি অমসুং অহো চৈংথ' কোন্থিবা অমা য়াওনা মণিপুরগী ওইবা ইরাবত্তা পীবা য়াবখি। ইরাবতনা হাইরিবা লম্বিদ্দু ভারতকী বৈঠক মচা কয়া লোম্বদিলনা হেদ পার্ট শাদুনখি অমসুং তোঙানবা মণিপুরগী শাসন অমা লিংবা তৌনবা থবক চঙনিখি।

ইরাবত অমসুং কবো ভেলি

কবো ভেলি অদি অঙাংগা মণিপুরগী ভাইরম্বা লৈরবা ময়ুম্থুনীরকপা য়াম্না হুরেৎনবা লমা থোকখি। মরিমদা নিংথৌ অমাগী মখুদা মণিপুরগী লম ওইবা অদুদা অঙাংখা মসুর লেক লৌশিনবা অমসুং তৌরমা লাকপনি। ঙসিক ১৯৭০ না থোম

নিংথৌ বিকথোরনা মণিপুরগী নিংথৌ ক্যাম্বনা কবো তেলিগী অয়াম্বা শরুক পীরম্মী। ফুট ৬০০ পাকপা থোং অমা মানা পান্নিংলা শাবম্মী। শোক ১৭৫৭ দা গৌরশ্যামনা পানবা মতমদা ব্রহ্মাশা কবো ভেলি অমুক লৌখি। লোয়ননা গৌরশ্যামনা পলেনগী লান্দা মায়থীডুনা ব্রহ্মানা ইম্ফাল ফাওবা লৌশিন্দুনা মনিপুরগী কোম্মুং শত্তাইথেন্দা হোংখি। লাবৈন্যচন্দ্রগী মতমদা শোক ১৭৯৯ অহুরাইদা তমু ফাওবা মনিপুরগী লম ওইরম্বগী বা যাওরি। মারজিৎনা ময়াম্বা চৌরজিৎ নিংথৌগী মথক্তা শোক ১৮১৩ দা ব্রহ্মাগী নিংথৌ বদাও পাইগী মতেং লৌরগা ময়াম্বা তাম্নোক্তুনা মনিপুরগী নিংথৌ ওইরম্মী। মতেং পাংবগীদমক কবো ভেলি পীথোকখি। অডুবু অমুক পীনিংলক্তুনা শোক ১৮১৯ দা য়ানবা পুগাইখি। অডুদগী ব্রহ্মানা মনিপুরদা শোক ১৮২৬ ফাওবা চহি ৭ খুন্তাকখি। গম্ভীর সিংহনা অমুক হন্দোকখি। লম অসিগী মরীদা খংনরকপদা ভারত স্যুপ্রীম কোর্টকী গভর্ণর জেনেরেলনা কেপটেন পেম্বরতন থারক্তুনা বিচার তৌবদা ব্রিটিশনা ব্রহ্মাগী মীচত্ত চত্তবদগী কবো ভেলি ব্রহ্মাদা শোক ১৮৩৪ গী জনুয়ারী ৯ দা পীখি। আর্টিকল অনিদং য়াওবা দলিল অমা সহি তৌনখি। লমগী মহুত্তা চহি খুদিংগী লুপা কোনশেং ৬০০০ পীবা হায়না য়াওবা অডু মতম থরা লৌরগা পীখিদ্রে। ভারতনা ইনিং তয়বা, মনিপুরস্থ কংগ্রেশকী মখুত্তা সাশন লৈরবা মতমদা কবো ভেলি পূরা পীথোকদ্রে। ইরাবতনা ব্রহ্মা লিবরেসন গভর্ণমেন্টকা সহি তৌনডুনা কবো ভেলি মণিপুরগী ওইরম্মী।

মরম অদুনা মনিপুরগী মীয়াম্না অমত্তং দল অয়াম্না কবো ভেলী দাবী তৌদুনা থাইনঙৈদগী লাকপনি। ইরাবত অমত্তং মাগী পার্টিনা অসিগুম্বা দাবী অসিদা শোগত্তুনা লাক্রি। মসিগী মথিদা ইরাবতকী চয়োলগী চেকোও "অনৌবা যুগ" না মরিক চুম্না ঊদুনা দাবী কয়া তৌরম্মী। মানা হায়রম্মী:— মতম অসিদি গনতন্ত্রনা মপুং ওইনা মী খুদিংমক্না পাম্নরবা মতমনি। অসিগী মথক্তা ব্রহ্মাদেশ অসি ১৯৪৮ ইং জনুয়ারী মতুংদগীদি বৃটিশকী মথুত্তগী মখোয়গী সাশনগী ক্ষমতা লৌথ্রগনি। ... ... কবো ভেলীবু মনিপুর সরকারনা তানবা ভারবদি তঙাই ফদনা থুনা দায়ীত্বশীল সাশন পীগদবনি।

ইরাবতকী অরোইবা

ইরাবতনা ব্রহ্মাদা মাগী অনিংবা থবক থয়া পাঙথোকপা হৌরকপদা অরাবা কয়া থাঙলকপা, মনিপুরদা লৈরিঙৈদা চাবা থকপা তুম্বা চাং নাইরক্কবা, ফমুংদা তুম্বা ফংলক্কবা, লৌরিদা যোন থাঙদুনা, উন মরক্তা, ফুদিস্তা, চৌপুংদা ফংলপা চাবা ফং-ঙগা তোক্কুনা, চম্প্রা মত্তং অমনম্থ লেম্লকপগা ব্রহ্মাগী ঐশিং মুংশিংনগা এম্নরকপগা মাগী হেদ কাটর ওইরিবা ভাংবো হায়বা মকমচুদা টাইকোইদনা কয়া নাশিম্লকখি। লম অসি ডাক্তর, হিদাক-লাংথক মতিকচানা ফংদবা জাগানি। পাউ তাবদা মনিপুরগী ডাক্তর, কবিরাজ কয়া মীয়ামগী নেটা অমগী পুন্সি কমথা চংশিন্নখি। লাইবকথীবদগী কনবা ঙমখিদ্রে।

শোক ১৯৫১ ইংগী সেপ্তেম্বর ২৬ তা ইরাবত তাইবংপাম থাদোকখি। মাগী অশিবা হকচাং অহু পুং ২৪ চুপ্পা লৈ-শূনা লৈভে'ংদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। ইউনাইটেদ লিবরেসন গভর্ণমেণ্ট ওক ব্রহ্মাগী রেদ পার্দ লাম্মীনা শেল্লুট গন কাপ্তুনা পার্দ ওক ওনর উৎলগা মৈতৈগী চৎনবী মতুং ইন্না পোৎলোয়খি।

মণিপুরগী মীয়ামগীদমক্তা থেংনবদা পোম্বকম লমদম মমাগী মতম্পাক্তা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপকম কাওবা ৎংজবা ওমখিত্রবা অরে ইং। ওইনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিবা মতমদা অদো চৌংথক্তা পোম্বকম লমদম মণিপুররোমদা মায় ওন্দুনা মণিপুর মাতাগী তম্পাক্তগী থাইনবা তারে হায়বা রাথলগা লোয়ননা অরোইবা ওইনা হন্না অমুক্তং য়েংলম্লগা ব্রহ্মাগী মাইকৈ পাংখিবা হেন্না থম্মোই শোক্লিংতাইনি। মানপুরগী লায়রবা মীয়ামগী পুন্সিগী অচৌবা অনৌবা অওনবা অমা সোসিয়েলিজম্না য়ুম্ফম ওইদুনা অমুক্তং পূরকপা হেমজবা পিনবিয়ু হায়না মণিপুর মাত'দগী বর নিজরগা পান্দমসিগী লড়াইদা থরাই থারবা কাওবদা নিংহন্নবা তৌতরোই হাংনা' লৈপাক চৌক্তুনা রাশক্লগা মীয়ামগী থম্মোয়দা কাউতম-দনা লৈংতৌরগনি। কাউকমম্ল থোক্তে। শোক ১৮৯১ দা বৃটিশকী মায়োক্তা নিং-তম্বা চাক্লবগীদমক থোনা কবা মণিপুর মচা কয়ানা ঈ কয় দান তৌগ্রবা থরাই কয়া থাগ্রবা মতুংদা মীথা পোম্বকদগী কয়বা নিং-তম্বগী লড়াইদা লমজিংখিবা মুপানি মাদি। থর্ম্মাঁ মিংদা ওৎ-নৈবা, অচৌবনা মচাবু তুহৎপা, ইনাকথুনবনা লায়রববু ওৎপা, লৌয়াব চাবনা লৌবিবু ওৎপদগী কোক্লবা

আন্দোলন কয়া লমজিংখিবা অমত্তা ঙাইরবা মনিপুরগী লময়ানবনি।

মরমসিংসিদগীনি মাবু মীয়ামগী লুচিংবা কৌরিবা। মনি-পুরতগী নত্তনা খা-নোংপোক এসিয়াগী লমজিংবশিংগী ময়ুংদা অমনি। মরমচুনা নেটা ইরাবত খোল্লিবা। মীওইবা অমনা থেংনবদা থাঙবা য়ারবা খুদোংথিবা পুন্নমক্না লাঙ্গোয় চল্লবদসু পাংথোক্কে নিংথিবা থবক্তু পাংথোকপদা নিংজম্রবা লৈত্রবা, মীনা, ঙম্মদবা থবক কয়া মীয়ামগী স্বার্থদা তৌবদগীনি মাবু লাইগী অবতারনি লোয়রিবা। মীরৈবাক মচাশিংনা মাবু জননেতা কৌনৈ। মনিপুরগী লোমী সভানা প্রেসিদেন্ট হায়না থম্ভনৈ।

ইরাবত মানা নিংজরম্বা পান্দম অদু পাংথোক্লম্বা ঙমদনা মৈথৈ লৈমগী ভম্পাক্তগী চৎখ্রে। তোইগুম্বসুং মানা থম্বিরম্বা খুত্তম অদুদি লেপ্পদনা লৈহৌরগনি। "লৈখিদ্রবা মতুং কাওবা মাগী মথক্তা বে-আইন থনম্বা থোইদোক্লা থম্মেয় য় শাক্লিংঙাইনি"। মনিপুরগী মীয়াম্না নেতাগী মংদা বেন তৌবা অদু লৌথোক্লবা দাবী কয়া তৌখিবগা লোয়ননা মনিপুরগী লোমী সভানা চহি খুদিংগী মাবু নিংশিং পালন তৌরকখি। ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম হৌদুনা তৌবিমল হৌনরক্লি।

লোইরবা